

ঐগী পুন্সি ৱারী

(শ্রীফুবাইলাৎপম বেদকার্ভ শর্ম্মা, স্বাধীনতা খৈনিক
ফ্রীদম ফাইটবগী পুন্সি ৱাবী)



ঐগী পুন্সি ৱারী

(শ্রীফুবাইলাংপম বেদকার্ভ শর্ম্মা. স্বাধীনতা ধৈনিক
ফ্রীদম ফাইটবগী পুন্সি ৱাবী)



ৱাহৈ খবম

পিতা স্বর্গঃ পিতা ধর্ম্মঃ পিতাহি পরমং তপঃ।
পিতরি প্রীতিমাপন্নে প্রীয়ন্তে সর্ব্ব দেবতাঃ॥

পরম পূজনীয়। খ্বাই পূন্নমক্কী গুরু ওইরিবম্বা মচা-মশু ওইবা ঐখোয় পূন্নমকপু নুংশি-চান্না কদায়দা শোইখিগদগে খন্দুনা হোম জপ কয়া তৌরিদুনা চেকশিন্না নাউয়োক নাউকোনরিবম্বা পণ্ডিত ওইবা ইপা ইবুংঙোবু হন্না হন্না খুরুমজরি। পাবুংনা অবোইবা স্মরগী ৱাহৈ খবম ইচাশিং ইপাগী সেবাদা ৱাবেদা অসি নত্তনা পকমেন পাউমেন্নরিবমক্তা কোবৌ নোঙ্গানরিশ্রবা পাবুংগী ময়মদা মিংথি পিনা প্রেম পুষ্পাঞ্জলি ওইনা তর্পণ কচ্চরি। নচা-নশুশিংবু ৱারৌরিগনুবো পাবুং। পঙলবা কবিস্ খাং চেদব ঙাক্তেনি খনবিদুনা অর্যোল-অবান খিবিব ঙাবপিয়ু।

পাবুংনা লৈবাক প্রজাগী সেবা তৌবকপদা থেংনাদ চমবা বা নুংঙাইগী থৌদোক ৱাথোক কয়াবু নীংশিংদুনা ৱারী লীরিবমক মণিপুরগী মতম অদুদা প্রজানা ফংলম্বা অৱাবা চৈথেংসি ওননি নিংথৌগী ৱাহেন পথাপকি চৈথেং অমদি বৃটিশ শাসনগী চৈথেং। অমবোমদা বৃটিশশিং কবম্বা ভাবত্তগী তাম্মোঙ্কদগে হায়বগী ৱাখলগী চৈথেং অমসুং পাম্নমক অসি মাযোক্লনবা হোৎনবকপদা পুন্সিদা 'তম্ব। থোক্তুবা' অৱানা কয়া থেংনবকখ্রবনি। অযাম্বনা কাওথ্রপোৎনি ঐনা খব নীংশিংবা খবর্তনি নখোযদা লীরিবসি হায়না পাবুংনা তাকপিবমই। মীওইবগী পুন্সিদা থেংনবা যাবা অৱাবা হায়বদু চিংখদনা শরুক থুংলকই। ইপা লৈ লৈতবগা পাম্মক্লি, ইমা ফংই নাউবোনবিদে। পাবুংবু কোল্লগা তুমীন্ননিংলকই অদুবু পাবুংনা নুপী লোনবনা ইপাগী মথাদা নাউথি শাজবা ফংলকখিদে। অবোক্তনা ঐবু নুংশি চান্না তৌবিদুনা ইহৈ তমহনবিবকপনি, অবোক্কা ইন্দোমচাগা লৈখিদবদ্গীদি ইশানা ইশাগী পুন্সি লম্বী শেমজবব্রবনি। ৱাহৈশিং অসি পাবুংনা নিংঙমদনা শোন্দুনা লিবিবনি।

চহি ১৫ শুবকপদগী হৌনা লৈবাক্কি সেবাদা পুন্স কপোক্লুনা লাকখি। ওঝা ধনেশ্বর পণ্ডিতগী ফংলকপা গান্ধীগী অহিংসা নীতিগী লম্বেন্দা আইন অমান্যগী রাখল্লোন্না খাদী শেংপা হৌখি। নেতাজী সুভাষ চন্দ্র বোসকা উনদুনা মহাক্কি রাহৈশিং তাববদদি যেক্লবা বৃটিশশিংবু ভাবতগী তাম্থোক্লবা Quit India Movement আন্দোলনদ শরুক যাবকখি। ভারত জাতিগী মচু অহুমগী ফিবালদ্ পুম্মাইদা চেৎনা থাগোন্নখি। পুন্সিগী অবোইবা মিংকুপফাওবা কংগ্রেশী ওইনা পুন্সি লোমখি।

অসিগুম্বা লৈবাক্কি সমাজগী অমদি মীওইবা পম্নমক্কি যাইফনবতা খন্দুনা হোম জপ পূজা কয়া [illegible] ব্রাহ্মণ সমাজবু কন্নিংবনা মতম [illegible] লম্লেল তাকপিবম্মা [illegible] ওইবা ইপা ইবুংগোগী পুন্সি রাবী [illegible] দোকচদি পাদুনা মীওইবা সমাজগী যাইফহন্নিংবগী বাখন্দা লাইবিক কয়া হুবিবমং [illegible] সীতারাযগ, লক্ষ্মী কৌবা লাইবিক অসিদা লক্ষ্মী [illegible] বেদ শাস্ত্র খণ্ড হৈনা [illegible] জ্ঞান ধর্ম্ম [illegible] খণ্ড হৈব [illegible] ব্রাহ্মণ [illegible] লোইবা পণ্ডিত ওইবা ইপা [illegible] খাৎহৈ [illegible] কয়া [illegible] হাম্নিবমই [illegible] পাদু [illegible] চৎচোকা [illegible] দাকপা [illegible]

হায়ভূবিব
মচা মগুশিং

তাম্র-পত্র ফংবা

ঐবু পোলিটিকেল সফবব হাযবম্বদগী 'স্বাধীনতা সৈনি ফ্রীদম ফাইটব' হাযদুনা তাং ১৫।০৮।১৯৭৩ ইংদা তাম্রপত্র ফংহনবিখি। মতম অদুদা ওইখিবা ডিপুটি কম্মিস্নাব অমদি দি,সি, সেন্ট্রেল, মণিপুবনা মপাল কাংজৈবুংদা ইকাই খূম্নবিবগা লোযননা প্রজা মীযাম্না চোন্না তিল্লবা অচৌবা সবকাবগী ফঙ্কশন অমদা তাম্র পত্র অসি ঐঙোন্দা খুৎশিন্নবিখি।

শ্রীফুবাইলাৎপম বেদকার্ভ শর্ম্মা
স্বাধীন্তা সৈনিক ফ্রীদম ফাইটব,
মণিপুর

তোল্লবি ঐগী ইপুৰোইবা ওইৰিবম্বা
পৰম্ পূজানীযনা থৃপখিবগী কুমওন ফাবকপসিদা,
পণ্ডিত ওইবা ইপুৰোইবগী পুন্সি ৰাবী ফোংদোকচদুনা মীযামগী
মফমদা খুৎশিন্নজবি।

খুৎশিন্নজবিবি,
শ্রীমতি ফুবাইলাংপম ওংবী কেশ্বৰী দেবী
(সহধর্ম্মীনি)

পেন্সন্নর ওইবা

ভাবতনা নিংখা তম্লবা মতুংদা, ভাবত সবকাবনা নোটিস অমা থোকখি। নিংতম্বগী আন্দোলনগী মবমদা থা তবাগুবা নত্রগা থা তকুক্তগী তাদনা জেলদা লৈবদা মতেং পীগনি। পাউ অসি তাবদা, ঐদি থা ১৮ নি জেলদা লৈবা দবখাস্ত থাবা যাই হাযদুনা থাবদা ঐবু পোলিটিকেল সফবব অমা ওইবে হাযদুনা ভাবত সবকাবনা লুপা ৫০০/- ইহান হানবা ওইনা পীবিবকখি। ইচাশিংগী মহৈ-মশিং তম্বদসু সবকাবনা শেলগী মতেং পীবিদুনা তেংবাংবি। পোলিটিকেল সফবব হাযবগ্নদগী স্বাধীনতা সৈনিক ফ্রীদম ফাইটব হাযনা শক খণ্ডবিদুনা তাম্রপত্র পীবিবকপগা লোযননা থা/থাগী-ঐগী হিংনবা ভাবত সবকাব অমদি ষ্টেট সবকাবনা পেন্সন পীদুনা হৌজিক ফাওবা হিংলি।

ঐগী পুন্সিদা লৈবাক্কি সেবা তৌজবকপা হাযবসি লোইনাইদে। ঐনা তৌখিবা মযাম অদু মতম মতমদুগী ঙম্লবা হোৎনবদা নিংশিংবা থোক্তবসু কযানি। ঐনা মতম অদুদা ইশিন্দুনা থমহৌবসু নত্তবনা, অদুবু নিংশিংবা খবদং ঐগী পুন্সি ৰাবী অসিদা হাযজবি। ইতি –

শ্রীবেদগার্ভ শর্ম্মা
স্বাধীনতা সৈনিক ফ্রীদম ফাইটব,
মণিপুব।

ঐগী পুন্সি ৱারী

(শ্রীফুবাইলাৎপম বেদকার্ভ শর্ম্মা স্বাধীনতা সৈনি,
ফ্রীদম ফাইটবগী পুন্সি ৱাবী)

ঐগী মিং ঃ

ঐগী মিং অসি ইমা-পাবুংনা থোনবিবা মিং নত্তে। ইমাবু পোকপা ইধৌ অঙাংমচা কৌবনা দাউজি হায়না কৌখিবনি হায়। বেদগার্ভ কৌখিবা অসিদি চূড়াচান্দ মহাবাজনা থোনবিবা মিংনি। মহাবাজনা ঐবু কোনুংদা বত্ন হাম্পগী পবিক্ষাগী মতাংদা শক ফজনা খঙবিখি। বত্ন লৌনবগী ৱাহং তম্ভধাবনচিংবনা হংলকপদা ঐনা বেদগী মন্ত্র অসিনা আর্তি কৎকনি, মন্ত্র অসিনা অসুন্না তৌগনি হায়না খুমখি। ঐগী পাওখুম তাববা মতুংদা খল্লগে শেল খবা পীযু হাযবকখি। মদুদা ঐনা ঐদি চুম্না খবা পামই, শেল পীবগা খনবদি পামদে, শেল পীবোই হায়না খুমখি। শেল পীদ্রবদি খল্লবোই হাযবে, ঐনা ফৈ খন্দ্রবসু কাইদে, চুম্না' চুম্না থবক তৌবা পামই হাযবল্লগা থোক্লকখি। ঐনা থোক্লকপদা ইবৌ শ্রীফুবাইলাৎপম অতোম্বাপু শর্ম্মা, পণ্ডিত গবেষনা শিবোমণিনা ঙাইদুনা লৈবমই। ইধৌনা ঐবু কৌশিল্লগা কমদৌবে হায়না হংবিখি। ঐনা মখোয়না হংবা ৱাহং অদুদা ঐনা অসুন্না খুম্লম্বা অমদি শেল পীদ্রবদি খল্লোই হাযদুনা খল্লক্তবা পুম্নমক ইধৌদা তমখি। অদুদা ইধৌনা শাওদুনা মহাবাজ সনা নাক্ত পুশিল্লগা ঐনা খুম্লম্বা পাউখুমদু হঙ্গৎহল্লি। ঐনা বেদগী মন্ত্র অসিনা আর্তি কৎকদবনি হাযদুনা বেদ থিবদা মহাবাজনা পেনবিখি। অসুক চুম্না থিবসিদা কবিগী খন্দ্রিবনো? হায়না শাওদুনা তম্ভধাবনচিংবদু কৌরুনবা হাযবমই। মদুদা ঐনা মহাবাজ অমদি ইধৌদা ঐ কবিসু নুংঙাইতবা লৈজদে, মখোযবু কৌবিরুবনু, ঐগী থবক তৌগদবা যাম্না লৈবি, খল্লক্তবসিনা হেন্না ফবে, ইধৌগী যাথং ঙাক্তুনা পবিক্ষা যাওজরুবনি হাযজবগা লোযননা খুরুম্লম্লগা হল্লকখি।

অসিগী তুংদা ঐনা শঙ্গ বিভূনি সভাদা মধ্যমা পবিক্ষা থানবগীদমক নবদ্বীপ্তা লৈবিঙৈদা মহাবাজ নবদ্বীপ্তা লেঙ্গলকপগী ওকপা চৎলুই। নবদ্বীপ ঘাট্টা মহাবাজবু আশীর্ব্বাদ তৌদুনা ঐনা বেদ থিবগা ওকপদা মহাবাজনা পেনবিদুনা ঙসিদগী বেদগৰ্ভ কৌববনি হাযনা থোনবিখিবদগী ঐগী মিং 'বেদগৰ্ভ' হাযনা খঙনখিবনি।

ঐ পোকপা ঃ

ঐ শজিবু থাগী তকক্লি পানবা তাং ০১।০৪।১৯১৪ ইং, যুমশকৈশা নুমিত্তা শগোলবন্দ থাংজম লৈবক্ত পোকই। ঐবু পোকপা পাবুংগী মিংনা শ্রীফুবাইলাৎপম কহ্নাই শর্ম্মা কৌই। অপোকপি ইমাগী মিংনা শ্রীব্রহ্মচাবিমযুম নিঙোল মাইনুচাউবী দেবী কৌই। পাবুংনা ইমাবু যাম্না নৌনা চহি তবা শুবদা কণ্যাবস্থাগী মতমদা লুহোংদুনা লৌবনি। ইমানা চহি ১৫ শুবদা ঐ পোক্লে, ইখাদা ইচল অমগা পোকপনি অদুবু মৈ চংদ্রিঙৈদা নৌনা শিখিবনা ইথন্তা ঙাইহৌই। ঐ হৌজিক শগোলবন্দ মৈনো লৈবক, মাইস্নাম নোংথোনবম লৈকাইদা লৈবি, লৈকাই অসিদা চাউবকপনি, ইশাগী চহি ৯৫ হেল্লক্লে।

লৈফমগী মতাংদা ঃ

ঐগী পাবুং যাম্না নংনা লাযবনা হৌবকপনা মবম ওইদুনা লৈফমসু মওং তাবমদে। পাবুংবু পোকপা ইধৌনা জ্বাব শান্নদুনা ইমুংগী পোৎ-চৈ থাদোকপদগী নোংম, নোংমগী ব্বাবা-নংবা হেল্লকখি। থাংজম লৈবক্তা লৈবম্বদগী সযাং পুখ্রি মপান্দ হোংলকখি। মতম খব লৈবগা পাবুংগী পাবুংহলগী মচাশিংনা পাবুংগী লম শরুক পীনিংলক্তদুনা লৈতনবা খৎনবা হৌবকখি। লমগী ব্বাহৌদগী খৎনদুনা শাওনবদগী শাগৈ কাইনবে। পাবুংগা পাবুং মধুমঙ্গোলখোযগা ইধৌ ইধৌ পোকমিন্নববসু হৌজিকফাওবা শাগৈ কাইনবি, যুম্মাংনদ্রে। শিবা-নাবা ফাওবা চংনদ্রে। পাবুংনা শাওদুনা সযাং পুখ্রি মপান্দা লৈবম্বদগী লম লৈদুনা নেপ্রামেঞ্জব পুখ্রি মপানগী ইস্খোল অসিদা হোংদোরকখি।

ইমানা অঙাং ওইনা নৌনা যুমপানবগা অমবোমদা যুম্বাল্লোন খঙদবগা পাবুংসু যুম্বাল মওং চাবক্লে। যুমদা নিংথিনা লৈতবনা মবম

ওইদুনা লৈতাফম খঙদবা পুন্সি ওইখি। ঐগী পাবুং নুপী মবিনি - (১) শ্রীব্রহ্মচাবীমযুম নিঙোল মাইনুচাউবী দেবী (ঐগী ইমা), (২) শ্রী শামুবাইলাৎপম নিঙোল লৈবেন দেবী (ফেজা লৈতোং), (৩) শ্রীহজাবীমযুম নিঙোল চাউবী দেবী (খ্বাই নাগামপান), গনক কহিনীগা ঈশৈ শকমিন্নবি ঈশৈ শকপিনি, কুইনদি পান্নখিদে খাইনখি (৪) শ্রীগুরুমযুম গোপাল পৃংযৈবগী মচানুপী ইবেতোনবী দেবী খ্বাই নাগামপাল ফৌগৈশংবম লৈকাইদা লৈবি অসি মচানুপী অমা চেল্লক্লগা মৌ ওইনা হল্লক্লগা লৈবদা লৌবনি। হান্নগী মচানুপী অদুদি হূইনা চিকপদগী শিখি।

ইমা যাইমা লৈবেননা মচানিপা গৌড়হবি শর্ম্মা পোক্লগা মপামদা অঙাং (ইনাওনিপা) অদু পুবগা চৎখিবদগী অদুম খাইনখ্রে। ইমাতোন্না মপামদা লৈনা লৈনা ইনাওনিপা গোপাল শর্ম্মা অমদি ইবোযাইমা শর্ম্মা পোকখি। ঐখোয ইচিন-ইনাও পূন্না মরিনি, ঐনদি ইনাওশিংবু লোযনা নুংশি অদুবু মখোযনদি ঐবু পোকমিন্নদে (মমা তিন্নদে) থনবদগী প্রেম ৱাংলি। পাবুংনা নুপী মথং মথং থিবকপসিদা ইমানা ঐবু মপামদা ঙাইহাক লৈতনা পুদুনা চৎলি। ঐবু উবগা মৈনো লৈবক্তা লৈবা ইমান্নবশিংনা সযাংতাবা লাক্লে হাযনা কৌবগা লোযননা শান্নমিন্নখি। মতম থবা লৈবগা মপামদা লৈবম্বা ইমাতোন ইনাও অনি পুবগা পাবুংনা যুমদা পুশিল্লকখি। মসিদা ইমা পোকপা অবোক্লা শাওদুনা ইমাগা ঐগবু তুবোন্নবগা পূন্না লৈমিন্নহল্লোই হাযদুনা মৈনো লৈবক্তা পুবকপদগী অমুক হন্না চৎখিদ্রে। পাবুংনা কৌবা লাকপদা শিদ্রিফাওবা ইশু পিবোই হাযনা অবোক্লা, পাবুংদা পিদবদগী মফম অসিদা লৈবকখিবনি। ঐবু পাবুংনা লুনা তৌবমদবদি নত্তে - "নঙতনা ইচা অশেংবনি, ইপাগী সেবা নঙনা তৌবকউ, অতৈসিদি থাজদে" হাযনা পাবুংনা তাকপিবমই। অদুবু পুন্সিগী ওইনদি লৈমিন্নখিদে, শিবমদাইদা সেবা ফংজহৌবা অদুতা মঙাইখি। পাবুংগী ফিভম ইমাতোন লাকপদগী ফগৎলকখি। অদুনা ইমাতোনগী পাবুং ওইখ্রে, গোপালগা ইবোযাইমগগী পাবুং ওইখ্রে। ঐগা গৌড়হবিগা ইবান্নিদি ইপা লৈত্রবা মচাগা পাম্বক ওইখি। ইপা লৈনা নাউকোনবিবক্তে নোংমতা হন্না যেংবিবক্তে, ইপাগী মথানুংদা নাউথি শাবা ফংলকখিদে।

ঐ অশিবগী খযাৎতগী ঃ

ঐনা অঙাং যাম্না ওইরিঙৈ ৱা ঙাংবা খবা খবা হৈবকপগী মতমদা, থাংজম লৈবক্তা লৈবিঙৈদা যাম্না কন্না নাখি হায। শিবনি যাববোই হাযদুনা মাইবনা খুৎ থাববা কান্দা খ্বাইবাকপমগী ইপুনা (পাবুংগী ইমা খ্বাইবাকপম নিঙোন্নি, অবোকপু পোকপা ইপুনা) নুমিৎ তবেৎনি চবা হেন্দুনা ঐগী থৱাইমি কোন্দুনা লাক্লবকপদগী হিংলকপনি। ঐগী ইতৌদা ইমাপোকপা অবোকসু নুমিৎ তবেৎনি চবা হেন্দুনা ঐবু লাযকন্নবকখি হায। ঐনা ফবক্লগা খ্বাইবাকপম ইপুনা ঐগী লাযনা অদুমক্না যুমদা হনখ্রগা নাবদগী লৈখিদে হায। ঐনা মীবোন তাবক্লবা চাউবক্লবা মতমদা অবোক্না ইশুদি শিকুববনি খ্বাইবাকপম নপুনা কল্লম্বনি হাযনা ৱাবী লিবিবমই।

ইহৈ তম্বগী মতাংদা ঃ

নেপ্রা মেঞ্জব পৃখ্রি মপান্দ লৈবিঙৈদা পাবুংনা শগোলশেম ওঝা অঙাংজাউদা বিদ্যাবন্ত হৌদুনা আদিগুরু ওইনা লাইবিক তমহল্লকই। তেবাস্কুলদসু লাইবিক তম্লকই। অদুবু পাবুংনা নুপী মথং মথং থিবকপনা অবোক্না সাওদুনা নেপ্রা মেঞ্জব পৃখ্রি মপান্দগী মৈনো লৈবক্ত লৈবা মতমদা অঙাং ওইবনা তেবা স্কুলদা চৎপা ঙমখিদে।

ইমা পোকপা অবোক্না ঐবু পিশক পিক্লিঙৈদগী চাউনবা যোকপিবকপগা লোযননা নুংশিনা লুনা-চান্না তৌবিদুনা লাইবিক তমহনবিবকই। লাযববা ইমুংদা নাউকোল্লকপা মবন্না অবোক্না ইন্দোমচাগনা ফনা তমহন্নিংলবসু শেল লৈতবনিনা লৈত-লৈত কৈশাম্পাৎ এল পি স্কুলদা নিম্ন প্রাইমাবী ফাওবদং তমহল্লকখি। অদুনা ঐনা অঙাং ওইবিঙৈদা তমহৌগদবা ইহৈদি লাযববা মচা অমা ওইবনা মপৃং ফানা ইহৈ তম্বা ফংলকখিদে।

নিম্ন প্রাইমাবী পবিক্ষা পাশ তৌববা মতুংদা মখা তমথনবা শিকি অমমম ফিশ হুনবা তাখি। পাবুংদা শিকি অমা ফিশ পীবিযু হাযজরুই অদুবু পাবুংনা নমাতোনগী মৱা তাদ্রবদি পীবা ঙম্লোই হাযবকখি, মখা তাবক্তে তুমিন্না লৈখি। ঐ উপায লৈখিদে লাইবিক তম্বা তোকখি। লাইবিক

তন্নিংবগী ৱাখন্দগী পাবুংদা হাযকুবনি, মতুংদা ঐ অমুক হন্না ঐগীদমক্কি হাযদুনা ঙসিফাওবা লংলা অমফাওবা পীযু হাযখিদে। মচাবু মচানি খন্না নুংশিবা ঙমদ্রবা ইপাগী মবল মচেৎ অমফাও লৌগে নিংখিদে, লৌসু লৌবোই অদুগা লৌবসু লৌদ্রি।

লাইবিক তম্বা তোক্লবা মতুংদা, মীনা চাকঙন চাবগা লাইরিক তম্বা চৎপা উবগা লাইবিক তম্বা চৎনিংবনা ঙাওখি। চাকঙন চাবগা মীনা লাইবিক তম্বা চৎপদু পামজবদগী নুংথিন্দ হিন্দী অমসুং সংস্কৃত তম্বা চৎখি। মতম অদু ভাবত্তা মহাত্মা গান্ধীনা লূচিংদুনা বৃটিশশিংবু ভাবত্তগী তাপ্লোক্লবা হোৎনবদা অহিংসা নীতিদা যুমফম ওইবগা কংগ্রেসকি মপাঙ্গল কন্নবা হোৎনবা হৌবকখি। মণিপুবদসু জগদীশ পাণ্ডে অমদি জনার্দ্দন পাণ্ডে কৌবা মচিন মনাও অনিনা শ্রীধনেশ্বব কৌবা পণ্ডিত অমবু হিন্দী প্রচাব তৌনবা অমদি কংগ্রেসকি ফ্রীদম মুভমেন্টগী ঈথিল শন্দোক্লবা কৌথোক্লুনা লাকখি। হিন্দী প্রচাবক ৺ধনেশ্বব পণ্ডিত, শ্রীগুরুমযুম ৺বঙ্কবিহাবী শর্ম্মা ব্যাকবণ তীর্থ অমদি শ্রীলাইমযুম ৺ললিতা মাধব শর্ম্মগা লোযননা ললিতা মাধবখোযগী মাণ্ডবতা হিন্দী অমসুং সংস্কৃত তম্বীবা হৌখি। লাঈ ওইশ্ববা ওঝা ইবুংঙো ৺ধনেশ্বব পণ্ডিততা হিন্দী তমখি। ওঝা ৺বঙ্গবিহাবী শর্ম্মা ব্যাকবণ তীর্থদা সাবস্বত ব্যাকবণ তম্বা হৌখি। মথংদা ঐগী ওঝা ইবুংঙো পদ্মশ্রী শ্রীচিংগাংবম ৺কালাচান্দ শাস্ত্রীদা পাণিনি ব্যাকবণ অমসুং বেদ উপাধি ফাওবা তমখি। ইং শোক ১৯৩৯ দা নবদ্বীপ্তা চত্তুনা আদ্য মধ্যামা সাবস্বত অমসুং পাণিনীয ব্যাকবণ অনি তূননা পবিক্ষা থাবদা প্রথম শ্রেণীদা অনিমক পাশ তৌবকখি।

মতম অদুগী লাইবিক তম্বদা বৃটিশকি শাসন্দগী মতৌ কবম তৌবগা নিং-খা তমগদগে হাযবগী ৱাখল্লোন অসি শিক্ষাদসু লোকনাযক তিলকনচিংবগী পুন্সি ৱাবী অমদি ঝন্দা উঁচা বহে হমাবা হাযবা জাতিগী ঈশৈ অসিনা মপৃংওইনা তম্লকখি।

পুন্সিদা অঙকপা থৌদোক অমা ঃ

ইমা পোকপা অবোক্লা ঐগী জন্ম কুঠিদা পাঞ্জিনা পুন্সি তেল্লি চহি তবামঙাদা খোইবেন্নি হায হাযবদগী যাম্না পাখৎলমই। ঐনা খজিক্তুং

হকচাং ঙমদবদা পাখত্তুনা ইনাক্কগী হেন্দোক্তনা ফমশেন্নবকই। ঐগীদমক্তা খনবদা ব্রাজববি অবোক অমদি ইন্দোমচা লৈখিদ্রে। ইমাদি ইমানি ইচা কবি চানি থক্কনি খনবিপোৎ নত্তে। অদুনা মখোয অনিনা লৈখিদ্রবা মতুংদদি যেংশিনবিনবা লৈত্রবা পুন্সিদা ইশানা হিংনবগী লম্বী থিজবকখি। ঐগী ইফমদদি অঙকপা থৌদোক্লি হায়বা তাই, নুমিত্তো ঐ ইথন্ত চজিংদা থবক অমা চৎখি। লম্বেন্দ মী কনা থোইদোকপা চৎলমদে, ইথন্ত চৎলিঙৈসিদা অহল অমা থেংনৈ। মশক মশাসু খঙবা নত্তে, ঐবু উবদা অহল অদুনা নুংশিনা কৌবগা হাযবকই - "ইবুংঙো নুংশিদা ইশুদি, ইপুগী নাক্তা চংশিল্লকউ, ইপু কোনগে লাও।" ঐসু অহল অদুনা নুংশিনা কৌবিবকপদুদা মনাক্তা চংশিল্লি। অহল অদুনা ঐবু মথাদা চেৎনা কোনবগা লোযননা মখূৎনা কোক অমদি নঙ্গন্দা নাম্থবিবগা - "ঙসিদগী ইপুগী পুন্সিসে নঙ লৌজহৌবোকো" হাযবল্লগা হন্না যেংলমদনা চৎখি। মতমদুদা ঐ কবিসু খন্দে, নুংশিদুনা কোনবিবম্বনি খন্দুনা লাকখি। অবোক্লা পাখৎলম্বা চহি ১৫ হৌখ্রে, পাঞ্জি মচিন-থিবনি খল্লুই। অদুবু হৌজিক্তদা খল্লকই, ঐনা ঙসিফাওবা পুন্সিবিবসি শকখঙদবা অহল অদুনা ঐগী পুন্সি পীবিবম্বনি হাযবা থাজবকই।

হিংনবগী লানফমদা ঃ

ঐবু নুংশিনা লুনা-চান্না তৌবিবম্বা অবোক্লা লৈখিদ্রবা তুংদা ঐ চহি ১৫ শুবে। পাবুংনা ঐবু নেপ্রামেঞ্জব পৃখ্রি মপান্দ লুগুণ থাংবিখি। লুগুণ হেক থাংবদগী লাঈগী সেবা তৌবা চৎপা হৌবকখি। ঐনা লাঈগী সেবা তৌবক্তবা মফম লৈতে হাযবা যাই। উবিপোক্ত লৈবা স্নাখ্বা লাৎ সাহেবকিদসু লাঈগী সেবা তৌবকই। ব্রাহ্মণ মচা অমা ওইনা ঈশ্বর সেবা তৌবদা মপূং ফানবা হোৎনবদা উবিপোক্লি লাইপুবম নিলমণি শর্ম্মাদগী মূদ্রা শাবা, চণ্ডী থিবা তমখি, বেদগী মন্ত্র পুম্বসু তমখি। নাউযোক নাউকোন্দুনা লমজিংবিনবা কনা লৈবক্ত্রবা ঐগী পুন্সিদা ঈশ্বর সেবা তৌদুনা পুন্সি হিংলকখি।

হিংনবগী লানফম মাযোক্লনবা হোৎনবদা ঐনা হৈতবা শিনফম, তৌবক্তবা থবক লৈতে হাযবা যাই। পুন্সিদা শেন্দাল লম্বী ওইনবা চন্দন উপু চনবা, বলুব খেৎপা, যুম শাবা, যুম-কুপ্পনচিংবা শিনফম খুদিংমক

হৈবকই। ঐনা যুম শাবগী পয়া থবা ৱাক্তুনা পম্বা শিবিঙৈদা অহল থবা লাঙ্গৈ খুরুম্বগী হাযবা লাকখি। ঐবু উবগা লাইবিক্তা নত্তনা শিনফম শুনা হে দ্রোণাচার্য্যনি হাযবিবমই। অমবোমদা ঐনা হৈজবিবা শিনফমশিং অসি ইমাগা পোকমিন্নবা মাম্মা শ্রীব্রহ্মচাবীময়ুম ঁবাপুমচা শর্ম্মাদগী হৈজবকপনি। মাম্মানা বলুব খেৎপদা ঐবু চিংহল্লগা মাম্মানা খেৎপনি, মহাক্না থবক শুবা খুদিংদা ঐবু যাওহল্লক্তুনা তম্বীবকখি। ঐনা হৈজবিবা শিনফমশিং অসি মাম্মাগী মপান্দগী হৈজবনি। ঐ খুরুম শাবসু হৈ, মসিনা যুমখাইবম ঁইবোমচা সিংহনা তম্বীবনি। অদুগা ঐ এবিযান ঠিযেটবগী আর্টিষ্ট অমা মতম থবা ওইবমই। পার্ট অচৌবা লৌদ্রবসু 'কুঞ্জমালা' দ্রামাদা কুঞ্জমালাগী মমান্নবিগী মপা শাবক্তুনা আর্টিষ্ট অমা ওইবকখি।

মতম অমদা মণিপুবদা অমাং-অশেংগী অকন্নবা চৈথেং-চৈনা অমনা ঐগী পুন্সিদসু তেমশিংনবকখি। ফুবাইলাৎপম শমশাংবা শর্ম্মগা, কোঞ্জেংবম ঁতোযাইমা সিংহগা, গুরুমযুম ঁথম্বাল শর্ম্মগা মখোয থবনা ঐবু মহাসভা যাওই মাংই হাযদুনা শন্দোক্লকপদগী লাইবিক লাঙ্গৈশু, দেব-কর্ম্মনচিংবদা ঐবু যাওহন্দনবা হোৎনবকখি। ৱাফম অসি ঐদি খণ্ডদবনিনা মীগী শ্রাদ্ধ চৎলুবদা ঐ চংলকপা উবদা মীযাম্না ফুক-ফুক হৌগৎলগা চৎনখি। অবানবা প্রচাব অসিনা লাইবিক লাঙ্গৈশু তৌবা, পূজা তৌবা, শেন্মোক লম্বী পূন্নমক লেপখি। হিংদবদি যাদবনিনা ইমুং-মনুং, নুপী-অঙাং থাকপা ঙন্নবা খুরুম শাদুনা যোল্লগা পুন্সি হিংবনা হোৎনবকখি। ঐনা কনানা ঐবু মাংই হাযনা শন্দোকপনো হাযনা থিগৎলকপদা কোঞ্জেং তোযাইমাগা গুরু থম্বালগনা হাযবনি হাযবা খঙলকখি। মবম চাদনা মী অমবু মাংই হাযদুনা পাওথোকপগীদমক গুরু থম্বালবু ফুখি, কোঞ্জেং তোযাইমদি লোৎখ্রে, মতুংদদি মখোযনা হাযদে হাযনা চেনখি। নখোযনা হাযদে হাযববদি মীযামদা লান্না শন্দোক্লিবসি কোক্লবা শেংদোক্কদবনি হাযনা শেংদোকহনখি। মখোযনা লৈবাক খঙনা শেংদোক্লবা মতুংদগীদি হান্নগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা পূজা তৌবা, লাইবিক লাঙ্গৈশু তৌবা হৌবকখি।

ঐগী পুন্সিদা ফংলিবা অৱাবগী চৈথেংসে ওয়োক্লা যামগ্নে, অয়েৎপা কযানা শৌ শাবকই। গ্রহগী খোঙচৎননি খঙদে ঐগী মপোক্কিনি খঙদে হৌজিক লৈবিবা ইখোল অসি, মশাগী ইখোল শকুক যোম্বোক্লল্লগা হোংদোকখ্রবা মাম্মানা ইমাগী শকুক অসি মুন্দুনা লৌনবা হোৎনবকখি। ঐদি ইমাদা, মাম্মানা পাল্লবদি পীথোকখ্রসি হাযবনি, ইমানা শুকযা যাখিদে। মাম্মানা কেশ পান্দুনা সোমোন লাক্লবদা কেশ থেংনবা তাখি। চহি তবা হেন্না কেশ শোক্লখি। মতম অদুদা অইবা ওইনা লৈত্রবসু অবোক্লা শিবমদাইগী মতমদা মমান্নবি লৈকাইগী অহল অহুমদা মখূৎ পাযদুনা শিন্নবম্বদগী, মখোযনা শাক্কি ওইবিদুনা হিন্দু লোগী মতুংইন্না নিঙোলগী শকুক্লি হাযনা বায তাবদগী কেশ মাই পাকখি। মতম অদু ঐখোযগী ফিভম যান্না চাদ্রি, ঐখোযগীদমক যেংবিদুনা উকিল তাযেলজম ভুবন সিংহনা চংদবা যাদবদগী হেন্না পৈশা লৌবিখিদে উকিলগী ফি ফাওবা লৌবিদনা কেশ লেম্পিদুনা ঙম্নবা হোৎনবিবকখি। মদুগীদমক উকিলঁ ভূবনবু তৌবিমল খঙবা উচ্চবি। ইখোলগী লোইফাৎত্রিঙৈদা, তেবাখোঙশাংবিদা লৈজবা লৌফম অসিদসু অযেৎপা পিবকখি। লান মমাংদা সিফাই খল্লম্বদগী ফমদাববা কামো হাযবা মীশক অমনা ঐগী লৌফমসি সিফাই লৌনি মানা চাগদবনি হাযদুনা পোইনু মতমদা ষণ গাডী পুবক্কুনা ফৌ পূনবা হোৎনবকপদা ঐগা মাগা ফুনখি। মোইবাং পুলিস ষ্টেসন্দা চৎলগা কেশ অমা ফাইল তৌহনখি। লৌগী কেশতা চহি ১২ বোম অমুক শোক্লবকখি। লৌগী কেশতি লমাংদোংদা ডি সি ওফিসতা তৌই। মতম অদুদা এস কে ওইবম্বা ত্রাইবেল অদুগী মমিংদি কাওখ্রে, মহাক্লা কামোদা নংনা নংগীনি হাযববদি পাটা পুথোবকউ, চহি খুদিংগী খাজনা থিবগী বিসিভ কদায হাযবদা শাজিনবা পাটা অমা পুথোক্লকপদা – হে। নংগী পাটা অদুদি লোক্তাক্তা থাদখো হাযনা শাওনা লাওখি। কামোনা খাজনা বিসিফ পুথোকপা ঙমদ্রবদি, মীঙোন্দ অযেৎপা পিবগী ফাইল তৌবগা কেশ অদু ঐনা ঙম্লে হাযনা লাওথোকখি। ইশাগী হুমাংমন্না লৈজবা লৌ ইখোল মতম খবা চযেৎনদুনা লৈবম্লবসু হৌজিক্তি অযেৎপা অমত্ত লৈত্রে। তম্বদবু লাযববনি কেশ অনি অসি শোক্লবিঙৈদা ঐখোযনা ৱাবদুদি কবি হাযকুনি। কবম্বা মতমদা মীমান্ননা পাল্লক্কদগে,

ইচাশিং শেম্বা ঙম্লৰুদগে খনবদা মমাগা ঐগা অহিং কযা তুম্লক্তে, ৱাবগী পনখৈ লৈখিদে।

ঐনা নিংতম আন্দোলন্দা চংবা ঃ

ঐনা নিংতম আন্দোলন্দা খোঙ থাংজিনবা হৌখিবসি ইশাগী চহি ১৬ শুবে। ঐবু হিন্দী তম্বিবিবা ধনেশ্বৰ পণ্ডিতনা খাদী (খদৰ) শেত্তুনা ওবিদেন্স মূভমেন্তকি খোঙজংগী শৰুক অমা ওইনা মখূত্ত শিবা খূদাং ঘড়ী ৱেষ্টর্ন ৱাচ অদু নুংদা থুগাযখি। বৃটিশকি মপোৎ শেত্তবা শিজিন্নদবা হাযবা কংগ্রেসকি অহিংসাগী খোঙজং চংশিনবা হৌখি। মদু উবদগী ঐগী পূক্লিং ৱাখল পূন্নমক ওঝাগী ৱাখল্দ চিংশিনবা হৌখি। ওঝাগী মতৌ অদুদগী ঐগী থম্মোইদা কংগ্রেসপু চেৎনা থাজনা ওঝা বঙ্কবিহাৰীগা লোযননা সমাজ সেবাদা চংশিনবা হৌখি। লোযননা নুমিৎ অদুদগী হৌনা খদৰ শেত্তুনা মহাত্মা গান্ধীগী লমজিং মখাদা চংশিল্লকপা নিংতম আন্দোলন্দ ঐ শৰুক যাবা হৌখি।

মতম অসি ভাৰতকি কাচিন কোযা শিনবা থুংনা নিংতম্বা ফংনবগীদমক বৃটিশকা কবম্না মাযোক্নগদগে হাযনা অকনবা আন্দোলনগী খোঙজং কযা চংশিন্নবা শেম শাথ্রবনি। নেতাজী সুভাষচন্দ্ৰ বোসনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ত ওইদুনা নিংতম আন্দোলনগী ঈহৌ কন্না শাগৎলকপা মতমসিদা ঐ নবদ্বীপ্ত লাইবিক তমদুনা লৈবি। বঙ্গালী খবনা "মণিপুৰীমচা ছাত্র খাদী শেৎপা অমা লৈ" হাযনা তল্লুবদগী নেতাজীনা ঐবু লাকউ হাযনা কৌবকখি। ঐগা নেতাজীগা উন্নবদা নেতাজীনা ঐঙোন্দা - 'নং কবি পামই' হাযনা হংলকই। ঐনা - "ঐ ইনিং ইখা তম্বা পামই" হাযনা খুমখি। ঐগী পাওখুম তাবগা মহাক্না "ৰক্ত বিন্দু বিন্দু স্বৰাজ পাওবা যাবে নদিলে পাওবা যাবেনা।' স্বৰাজ হৌজিক্তি ফংখিবোই, ভাৰতনা স্বাধীন ফংবা লাযনা ফংবা ওইবোই, ইশাগী ঈনা লৈবাক্ত মতুম মতুম তাববদতা ভাৰতনা স্বাধীন ফংগনি হাযখি। মহাক্না ঐঙোন্দ - "ঐ শোযনা মণিপুৰদা লাক্কনি, কন্না হোৎনবম্মু" হাযবকখি। নুমিৎ অদু মীওই লিশিং কযা তিন্দুনা পৰমা দেবীগী মাওপতা মীটিং তৌখি। মীটিং অদুদা নেতাজীনা মপাগ্রোম অনি

তিংথোক্লুনা মখূৎ অনি ৱাংনা থাঙ্গৎলগা – "বক্ত নদিলে পাইবেনা, বক্ত বিন্দু বিন্দু স্ববাজ্য নাপাবো" হায়না লাওখি। মহাক্কী বক্তৃতা তৌবা তাবিবা বঙ্গালীশিংনা নেতাজীদা ভোট পীখি। মহাবাজনা নখোয়সু ভোট পীখো ঐদি যাদে হায়বকখি। মদু তাবদা কংগ্রেসপু শ্রীযুৎনা যাই হায়বা খঙখি।

ঐ নেতাজীগী ৱাহৈশিংসি তাবা মিৎকুপ অদুদা ঐহাক্কি খোঙদগী তোনফাওবা খঙহৌদনা তু চুংখি। মহাক্কি ৱাহৈশিং অসি তাক্লবদগী ইবৈবাক ভাবতপু যেক্লবা বৃটিশকি মখুত্তগী কবন্না কনগদগে হায়বগী ৱাখন্না লমজিংদুনা নিংতম আন্দোলনদ শরুক যাবা হৌখি। যেক্লবা বৃটিশশিংবু হাৎনিংবগী ৱাখল পোল্লকখি। হান্ননা ধনেশ্বব পণ্ডিৎকি মফমদগী হৌনা হৌবকখিবা নিংতম্বগী ৱাখল নৌহৌননা ঈনোৎ হাপ্লকখি। ঐগী থৱাই হুকচাং পুম্বা ইবৈবাক্কিদমক কখোক্লুনা নিংতম আন্দোলনদ চংশিনবা হৌখি।

বাজনীতিদা খোঙ থাংজিনবা ঃ

ঐ ইশাগী চহি ১৬ শুবদগী হৌনা বাজনীতিদা খোঙ থাংজিনবা হৌবকখি। মণিপুবদা নিখিল হিন্দু মণিপুবী মহাসভা কৌবা সভা অমা লিঙ্খৎলে। সভা অসি মণিপুবগী মহাবাজ শ্রীপঞ্চযুক্ত চুড়াচান্দ মহাবাজনা সভাপতি ওইদুনা পুলিস লেন্দদা ফমখি। নিংথৌ অমদি অঙম-অথৌ পুম্নমক সভা অদুদা যাওখি, নিংথৌনা থবক শংদবা মতমদনা মবাই ইবুংঙো অঙোম নিংথৌনা সভাপতি ওইদুনা সভাগী মীফম ফমখি। মথংদা মহাসভাগী সেসন সনাকোনুংগী বাস মণ্ডলদা তাং ৩০।০৫।১৯৩৪ ইংদা মহাবাজনা সভাপতি ওইদুনা ফমখি। সভা ফম্বা খুদিংমক্ত নহা ওইনা ভলন্টিয়াব ওইনা যাওদুনা মীযামগী সেবা তৌবকই। নহা ওইবনিনা মফম খুদিংগী মীফম যাওবা ঙমখি, থৌবালদা ফম্বদসু যাওখি। অদুবু সভাদা মিংদি চন্দে মবমদি ঐ মতমদুদা চহি ২১ শুদ্রি। চহি শুদ্রবসু লৈবাক্কি থৌদোক খুদিংমক্তদি ঐ চিংখদনা শরুক যাবকখি।

ঐ ইশাগী চহি ২১ হেক শুবদা বাজনীতিদা যাওবে। নিখিল মণিপুবী হিন্দু মহাসভাদা মিং চন্দুনা প্রজাগী সেবাদা পুন্সি কখোকপা হৌবে। চীংঙা সেসন্দা নিখিল হিন্দু মণিপুবী মহাসভা হায়না কৌখিবা

মতম অদুদা খাদী শীজিন্নবা হৌবে। ইমা তবেং হাযবা সিম্বল অদু থাবা গান্ধী কেপ উপ্লে। চীংঙা সেসন্দা শ্রী হিজম ইবাবত মেম্ববনা প্রসিদেন্ত ওইবে। সভা ফম্বদা দাযিত্ব শীল শাসন তানবা হাযবা বিজোলুসন অমা পাশ তৌখিবদগী নিখিল হিন্দু মণিপুবী মহাসভাবু তাং ৩০।১২।১৯৩৮ ইংদগীদি, বাজনৈতিক দল অমা ওইনা ষ্টেট দববাবনা লাওথোকখ্রে। অসিগী মতুংদা সবকাবগী কর্ম্মচাবী তলব চাবা ফম্নাইবা পূন্নমক লোইনা তোকখ্রে। চীংঙা সেসন অসিদদি মহাসভা অসি বাজনৈতিকা মবী লৈনবা ৱাবেপ কযামুক তাবক্রে। পূর্ণদাযিত্ব শীল শাসন পীবো হাযনা ৱাবেপ ফাওবা তাবক্রে। নিখিল হিন্দু মণিপুবী মহাসভা কৌবম্বা অদু হিন্দু নত্তবা মীসু যাওবা যাননবগীদমক নিখিল মণিপুবী মহাসভা হাযনা সভাগী মিংসু হোংদোক্রে। অদুনা মহাসভা অসি বাজনৈতিক দল ওইবে।

মহাসভানা বাজনৈতিক দল ওইবকপদগী মণিপুব ষ্টেট দববাবগী মতম অদুগী প্রসিদেন্ত এ আব ঐচ মেক ডেনাল্দ আইঃসিঃএসঃ না তাং ২১।০৩।১৯৩৯ ইংদা ওর্ডব অমা থোক্রে। ওর্ডব অদুগী মবোলদি মহাসভানা হান্না ওর্গেনাইজেসন অমা ওইনা লৈবম্বদগী হৌজিক্তি পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইববনিনা সবকাবগী কর্ম্মচাবীশিংনা কর্ম্মচাবী ওইখিগে হাযবগনা মহাসভা থাদোকপা অদুগা মহাসভা যাওগে হাযবগনা সবকাবগী থবক থাদোক্কদবনি। মসিগী মতুংইন্না ইবাবত মেম্বব পঞ্চাযেত মেম্বব ওইবা তোকথোক্রে, এলাংবম তোম্পোকসু লৌকংশংগী কেবাণী ওইবদগী বিজাইন তৌখ্রে। শ্রী ললিতা মাধব শর্ম্মা অমসুং শ্রীবঙ্কবিহাবী শর্ম্মা অনিসু তোম্বীসনা স্কুলদা ওঝা ওইবম্বদগী সবকাবগী ওর্ডব থোক্তিংঙৈগী মমাংদগী থবক তোকখ্রবনি। অদুগনা মহাসভাদা লৈহৌবিবসি ইবাবত মেম্বব, এলাংবম তোম্পোক, মোইবাংথেম থানিল, বঙ্কবিহাবী শর্ম্মা, বেদগার্ভ শর্ম্মা, কৈশাম বিশ্বৰূপ, নাম্রম অমু শেলুং, কাবাম বিদুব, লাইখুবাম ইবোহল, লাইশ্রম যুগেশ্বব সিংহনচিংবা অসি ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বব ওইনা লৈহৌবে। মহাসভাদা লেঙদনা লৈদুনা থবক পাযখৎনবা থৌবাং শিন্দোকপা হৌবে।

ঐগা এলাংবম তোম্পোক অমদি লাইমযুম ললিতা মাধব শর্ম্মগা ঐখোয অহুম খৌবুম তম্পাক্তা মীটিং চৎলি। মণিপুবগী মফম পুন্নমক চীং তম খাইদনা নিংতম আন্দোলন চখনবা ঈহৌ শাগৎনবগীদমক মীটিং তৌবা চৎপনি। নুমিৎ অদু মীটিং লোযবদা থেংখিবদগী যুমদা হল্লকপা যাদদুনা মফম অদুদা অহিং লেকখি। অযুক্ত নীতি কর্ম্ম লোযবগা ঐগী নুমিৎ খুদিংগী যোগাশন তৌদুনা ত্রিসন্ধ্যা উপাসানা তৌখি। ঐনা খোঙ নাম্মা থাঙ্গৎলগা মিৎ অনিমক উইশিন্দুনা মখাগী মন্ত্রশিং অসি থিখি –

উদুত্যজ্জাত বেদ সন্দে বং বহন্তি কেতবঃ।
দৃশেব্বিশ্বায সূর্য্যম॥
চিত্রন্দেবানা মুদগাদমী কচ্চক্ষুর্ম্মিত্রস্য মকুণ স্যাগ্নেঃ।
আপ্রা দ্যাবা পৃথিবী অন্তবিক্ষগুঁ সূর্য্য আত্মা জগতস্ত স্থযশ্চ॥
ওঁ তচ্চক্ষুর্দেদেবহিত মপুব স্তাচছক্র মুচ্চবৎ।
পশেম শবদঃ শতজ্জীবেম শবদঃ শতগুঁ শৃণুযাম শবদঃ
শতম্প্রব্রবাম শরদঃ শতমদীনাঃ স্যাম শবদঃ শতভ্রূযশ্চ শবদঃ শতাৎ॥
ওঁ আ কৃষ্ণেণবজসার্বত্ত মানোনিবেশযন্ন মৃতম্মত্যঞ্চ।
হিবণ্য মেন সবিতা বথেনা দেবো বাতি ভূবপনি পশ্যণ॥

ঐনা মিৎ পাংথোক্লকপা মতমদা খৌবুম তম্পাক্তা লৈবা চীংমী ইচিন-ইনাওশিংনা ঐবু পুমকোই কোইশিল্লগা যেংদুনা লৈবমই। মখোযনা ঐঙোন্দা কবি তৌবনো যান্না ফজে হাযখি। ঐনা যোগাষন তৌধনি হাযনা খুমখি। ঐখোয মফম অদুদগী অমুক তোংজে মবিল যৌনবা চৎলি। ঐখোযনা চীংলম্বীদা উমং কযা ফাওদুনা চৎপদা শা-কৈ কযা থেংনৈ। নাবক-মোংশোং ফাওদুনা খোঙনা ঙাক্ত চৎপনিনা থাং অমমমদি লোযনা যেপ্লবা ঙাক্লি। অদুনা শানা (কৈনা) কবিগুম্বা চোংশিল্লক্লবদি থাংনা হেক্তা যান্নশি হাযনদুনা কনাবু কিকদনা চৎপা খোঙচৎনি।

চীংগী থেল যৌবদা মৈ হৌদুনা পোথাবিঙৈদা কৈ লাকই, অদুবু কবিসু তৌবমদে মৈ যাইবল্লগা তুমিন্না চৎখি। শা-কৈশিংসু হিংসা তৌদ্রবদি ঐখোযনা কবিসু তৌদবোইবে হাযনা খন্নখি। অসুম্না মণিপুবগী মফম খুদিং

শিন্থূংনা অনকপা অবাম্পা থিদনা চোকথবা অৱাবা খঙদনা নিংতম্বা ফংনবগীদমক অহিং নুংথিল থাইদনা হোৎনখি। মহাসভানা মণিপুর পূম্বগী মফম থুদিংদা চৎতুনা কংগ্রেসকি ব্রাঞ্চ কমিটি কযা শেমখি। মহাত্মা গান্ধীগী লমজিং মখাদা নিখিল মণিপুবী মহাসভানা নন-কোপবেসন মুভমেন্টগী ঈহৌ ওইনা বৃটিশকি মপোৎ মচৈ, ফি-বোল পূন্নমক মৈ থাদুনা অমদি থুগাযদুনা মাংহনখি। ইবমদা ফংবা পোৎ খক্তমক শীজিন্নবা হৌখি। আইন অমান্যগী খোঙজং কযা চঙশিনখি। বৃটিশশিং ভাবত থাদোকউ আন্দোলন্দ (কিট ইণ্ডিযা মুভমেন্টদা) শরুক যাদুনা "বন্দে মাতবম" লাউদুনা মফম থুদিং চৎলগা প্রজাশিংগী ঈহৌ কনখৎহনখি। মহাসভানা বাজনৈতিক দল ওইবক্তুনা মহাবাজ অমসুং সবকাবগী মওং কযাদা থেংনবকপগা লোযননা মণিপুবগী কাচিন কোযা শিন্থূংনা সভাগী পাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনখি।

মণিপুব ষ্টেট কংগ্রেসকি ৱার্কিং কমিটিদা ঃ

মণিপুব ষ্টেটকি অচৌবা বাজনীতি দল অমা শেম্নবগীদমক নিখিল মণিপুব মহাসভা, মণিপুব প্রজা সঙ্ঘ অমদি কৃষক সভা, হাযবিবা দল অহুম অসি অমত্ত ওইনা পুনশিনবা হাযনা ৱাবেপ্লবে। মীওই খবনা শাবা কো-ওর্দিনেতিং কমিটি অমা শেম্লে। কমিটি অদুদা সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ, শগোলশেম ইন্দ্রকুমাব সিংহ, বাজকুমাব মাইপাকনা সিংহনচিংবা মীওইশিং অসি যাওই। কমিটি অসিনা ৱাজনৈতিক দল অহুম অসিদগী মীহুৎ অহুম অহুমগা লোযননা এবিযান ঠিযেটবদা দল অহুমগী অপূনবা মীটিং অমা তৌবে। মীটিং অদুদা বাজকুমাব ভুবনসনানা সভাপতি ওইখি। দল পূন্নমক্লা অমত্ত ওইনা মণিপুবগী অচৌবা বাজনৈতিক দল অণা শেম্লসি হাযনা ৱাবেপ তাবে। দলগী মমিংনা মণিপুব ষ্টেট কংগ্রেস কৌবসি হাযনা ৱাবেপ্লবে। ভাবত জাতিয কংগ্রেসকি মশা ওইনা কংগ্রেস পার্টি অসিনা লৈনবা ৱাবেপ্লবকপা উবদা ইবাবত সভা থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মহাক্কা লোযনবকপা অনিসু চৎখ্রে। কৃষক সভাগী মী অমত্ত লৈহ্রৌদ্রে। মখোযনা চৎখ্রবা মতুংদা দল অনিনা শেম্বা কংগ্রেস দল ওইহৌবে। কো-ওর্দিনেতিং

কমিতিগী মীহুৎ অহুম অদুসু কংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বর ওইরে। অদুনা ৱার্কিং কমিটিদা মেম্বর ৯ শুবে। রাজকুমার ভূবনসনাবু সবাপতি অদুগু যুম্নাম খোইমচা সিংহবু জেনরেল সেক্রেটরি খল্লে।

মথংগী মণিপুর কংগ্রেসকি ৱার্কিং কমিটিগী মীটিংদা পোৎশংবম তোমাল সিংহ, রাজকুমার রতনম্না সিংহ, ঐ (ফুরাইলাৎপম বেদগর্ভ শর্ম্মা), দ্বিজমণি শর্ম্মা, অচোম নিমাই সিংহ, ঐখোয মণ্ডাবু ৱার্কিং কমিটিদা কো-ওপ্ত তৌদুনা মেম্বর ১৪ শুবে। মথংদা মথং মথং অসুম হেনগৎলক্তুনা কংগ্রেসকি ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বর জুলাই থাদা পুন্না কুন্ত্রামাথোই শুখি।

মতম অদুদা মণিপুরগী ফিভম ঃ

পোইনু মতম্নি, মণিপুর প্রজাশিং লৌ লোকপা লোযরক্লে। শেম্লোক লৈতবনা মরম ওইরগা ফৌশিংদু অহোংবা মমলদা শেঞ্জাও পাযবা কররার ৱালাশিংদা তাইথোক্লরমই। মতম অদুদা ফৌ শংবাইদা মথাইতমক পীরমই। লৱাইদগী ষণগাউীদা পুখৎলক্লগা লম্লোং কৈথেল, কোংবা কৈথেল, শীংজমৈ কৈথেলদা পুরকপদু প্রজাশিংনা চোইনা চোইনা ৱান্নরমই। অদুবু মতমদুদা শংবাই অমা নত্রগা লিকথাই অমফাও ৱানবা ঙম্নরকখিদে। তাইবিবশিংনসু মচিৎ মচিৎ তাইবা পান্নরক্তবনা ইম্ফালদা পুকৎলক্লিবা ফৌশিংদু কৈথেন্দা যোন্দনা রাইস মিল তান্না পুরগা তাইথোক্লবা হৌরে। মসিনা মরম ওইদুনা কৈথেন্দা ফৌ ৱানবা ফংদ্রে। ইমুং-মনুং, মচা-মশু যোক-থাক্লিবা নুপীশিংনা মখোযনা পুরকপা শঙ্গোম, মনা-মশীং শিংদু যোল্লগা অফংবা শেল অদুনা চেং-ফৌ ৱানগদরদু কৈথেন্দা চেং-ফৌ ৱানবা ফংলক্লে। মসিদগী মৈতৈ নুপীশিংনা অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্লে। পোইনু মতমদা চেং-ফৌ কৈথেন্দা ফংদ্রিবসি মিলশিংনা ফৌ ৱাল্লগা মপান্দ চেং থাদোকখিবদগীনি হাযবা খণ্ডবদগী মপান্দ চেং থাদোকপা যাবোই মিলশিং চেং তকপা থিংবিযু হাযনা মতম অদুগী প্রসিদেন্ট টি এ শার্পতা হাযজরুই। মদুদা প্রসিদেন্টনা ফোর্থ আসাম রাইফলসকি সিফাইশিং কৌবগা নুপীশিংদা সিফাইশিংনা বেযোনেৎ চার্জ তৌবতা নত্তনা সংগীন চার্জসু তৌখি। থৌদোক অদুদা নুপী-নিপা মী যাম্না অশোক অপন নংখি। হিন্দুস্থান ষ্টেণ্ডবদা থৌদোক অদুগী ফোটো

ফোংখি, অদুবু পোলিটিকেল এজেন্তনা মাংহনখ্রো হাযদুনা ফোটো অদু মাংহনখি।

চাদনা শিগদৌবগী মহুৎপুদি লান্দ শিখিবনা ফবে থন্দুনা শিবা কিদনা, হৌনকৃবা নাইদনা, মাইকৈ খুদিংমক্তগী নুপীশিংনা মখোঙনা লাক্লগা টেলিগ্রাফ ওফিসতা ঈখেং তাখিবা নুমিৎ অসি ইং শোক ১৯৩৯ গী ডিসেম্বব থাগী তাং ১২ নি। নুপী নিপা ঐখোয পুন্না চংমিন্নবনি, ঐসু যাওবিবনি, নুপীশিংনা মখোয মমাং থংগে হাযদুনা চংখিবনি। নুপীশিংবু ঙাক্লবা হোৎনবদা ব্রহ্মচাবীমযুম গৌবমণি শর্ম্মনচিংবা নিপা কযাসু সঙ্গিন্না শোকখি। ইংথম থাগী অহিং ওইবনা নুপী মযাম শোকখিবশিংগী মনাক্তা মৈফু পুদুনা মযামগী সেবা তৌবা যাওবকই।

অসিগী ৱাথোক্তগী ইবাবত মেম্ববনা মহাসভাদগী প্রজা সমেলণি কৌবা পার্টি অমা থাইদোক্লুনা শেমখি। ইব্লাবতনা সভাপতি ওইদুনা পুলিসলেন্দ মীটিং তৌবদা মহাক্কি ভাষন্দ - "চেং খুযা অমাগ ঈ খুজোক অমগা শিন্নে" হাযকৃবদগী ইবাবতপু চহি অহুম থবক শুবা জেলদা থমখি। মথংদা লোংজম বিজয, অবাম্বম কন্সাই, তখেল্লম্বম কুলবিধুনচিংবগা পুলিসলেন্দ মীটিং তৌমিন্নবকখি। হাযবিবা মীটিং অসি সবকাবনা মীটিং তৌবা যাদে হাযনা থিংখ্রবা মতুংদা তৌবনি। মাইকৈ মবিদগী লাকপা মীনা চোন্না তিন্দুনা তৌখিবা অচৌবা মীটিংনি। মীটিং অসিদা তখেল্লম্বম কুলবিধুবু ফাখিবদগী অকন্নবা খোঙজং অমা হৌবকখি। মহাকপু ফাবা লাকখিবা তোম্বী সুবেদাবগী মখজাইদা খঙহৌদনা ফিব্বান্না থিনখি। তোম্বী সুবেদাবনা মখুৎনা মখজাই মেল্লগা মীটিং থুগাযখি কুলবিধুবুসু ফাখি। প্রজা পুন্নমক্লা অশাওবা ফাথবা ঙমদনা অফং-অফংবা চৈনা নুংনা থাজিন্দুনা পুলিসশিংদা লান্দাখি। অসিগী মতুংদগীদি নুপীশিংগী খোঙজংসু কন্নবা হেঞ্জিল্লকখি। কৈথেল থিংখি, খ্বাইবম্বন্দ কৈথেল কানখিদ্রে। নুপীশিংনা মাইকৈ মাইকৈ খাইদোক্লুনা বাইস মিল থিংবা থুদেকপা মওং কযাগী খোঙজং চংখি। কৈথেল কানবগীদমক নিংথৌনা মনাই উবিবোক্ত লৈবা দুল্লোপ নিত্যাই অনি থাদোকখি। মখোয অনিনা মুখি-চিত্রা অনিবু ফুকৃবদগী মযাম চংদুনা দুল্লোপ-নিত্যাইবু ফাবগা জেলদা থমখি।

হাযবিবা দুল্লোপ নিত্যাই অনি অসি ফানবা চংবদা যামখ্রবা মীযামগী মমাংদা হাওদিজম ইবোতোননচিংবা ঐখোয তবেৎ নিপান্না হাপলান্টেন পূদুনা চৎলি। মতম অদুদা মহাবাজ কুমাব প্রিযোব্রতনা পুলিস পুদুনা লাক্লগা মযামগী ৱা তাববা মতুংদা দুল্লোপ নিত্যাইবু জেলদা পুখি। মখোয অনিবু জামিন্দা থানবগী পৈশা গুরুমযুম সনামতুম, পঞ্চাযেৎ মনিংদা লৈবনা পূদুনা লাকপদা নুপী মযাম্না হৌবক্তুনা সনামতুমবু মশাদা মফি অমতা পক্তনা মফি মুল্লগা খোঙ্গোইনখি।

আন্দোলনগী মবীদা চৈবাপ কোর্ট লম্পাক্ত মীযামগী ঈহৌ অমা লাকখি। মীযামগী ঈহৌ অদু লাকপদা অসেম গুলাপ জমান্দাবনা দুল্লোপ নিত্যাইবু পুনবা হোৎনখি। নুপীশিংনা কোর্টনা মখোয অনিবু জামীন্দ থাবা যাবোই হাযনা চংশিল্লকপা নুপীশিংদা খোঙউপ বুটনা নেৎপা কাওবা তৌবকপদা ঐ খাঙবা ঙম্লকখিদে, গুলাপ জমান্দাবদা ফুখি। ঐগী তুংদা খুৎলায পাযদুনা লাকপা পুলিস নাউন সিংনা ঐগী কোক্তা নোংমৈ তোক্লিংনা শুরকপদা ইঞ্চি অনিমখাই শাংনা কাযবে, অদুতসু নত্তনা ঐগী পিশুম অনিগী কাবক্তা সঙ্গীন্না থিল্লে, ঐদি জ্ঞান তাখিদ্রে। ঐনা জ্ঞান তাবকপা মতমদদি ডাক্তব খানাদা লাযেংদুনা লৈবমই। সবকাবনা ঐবু ফাদুনা দববাবদা বিচাব তৌবগা আই পি সি সেক্সন ৩৩২ গী মতুংইন্না কেশ নম্বব ২৫-১৯৪০, পান্দুনা তাং ২৮।০৬।১৯৪০ ইংদা থা ১৮ থবক শুবা জেলদা পীখি। জেলদা চহি ১ থা ৬ মিযাৎ তাখি। এলাং লৈকাইদগী অঙৌনা দাউজি শর্ম্মগী কেশ হাযদুনা খববদা ফোঙখি।

ইং শোক ১৯৪১ দা ঐ জেলদগী থাদোবক্লে। মতুংসিদা মহাসভাগী ৱার্কিং কমিটিদা মেম্বব অমা ওইবে। ঐবু শগোলবন্দ প্রজানা যেৎনবা লৈতনা আইন সভা শেম্বগী কাউন্সিল্লব অমা ওইনা থাগৎলি। ইং শোক ১৯৪২ দা সেবা সঙ্ঘদা মেম্বব অমা ওইখি।

প্রজাগী সেবাদা ঃ

মণিপুবদা চেং তাংবনা চাক চাবা ফংলক্রুবদা উশোয, পান, মাইবেল যান্দুনা চানববা মতম্নি। মবৱাবী তোমসূক, সদাসূক অনিনা খ্বাইবম্রনগী

খোংনাং মখোঙ – হান্না কোনযোনফম ওইবম্বা, ফিগোন যোনফম কৌবম্বা, হৌজিক্কা লক্ষ্মী বজাব কৌবিবা মফম অসিদা চেং পৌৱাদা পৈশা তবেৎ পীদুনা যেল্লি। অদুগা কাংজৈবুং মনিংদসু যেল্লি, মফমশিং অসিদা মীযামগী মতেং পাংনবা লৌবা চৎলি।

মণিপুবদা ঈশিংগী খাজনা হান্না লুপা ১ দগী লুপা ২ থিবগী হুকুম থোকখি। হান্নগীদা থিজগে হাযদুনা বাজকুমাব ভুবনসনা, বাজকুমাব লাৎসাহেবনচিংবা অহল লমনশিংনা তৌবকপা আন্দোলন্দ ঐসু যাওবে। মহাবাজনা ঈশিং খাজনা হন্নবদা যাবিখি। নিখিল মণিপুব প্রজাগী লূচিংবশিংনা ঈশিং খাজনা কোক্লবা তৌবা আন্দোলন অসি পুমকোকমক কোক্তুবসু মহাত্মা গান্ধীগী সত্যগ্রহ আন্দোলনগী শরুক অমনি। অহল-লমনশিংনা চংশিল্লকপা খোঙজং খুদিংদা ঐসু মতুং ইল্লকই।

লৈবাক মীযামগীদমক সেবা সঙ্ঘদা যাওদুনা মফম মফম খুদিংদা চত্তুনা প্রজাগী সেবা তৌবকই। সেবা কমিটিদা যাওদুনা বারুণী চীং কাবগী অমদি হিযাংথাং ববগী সেবাদা চহি ১৬ শুবকপদগী সেবাগী বেস থেত্তুনা মীযামগী সেবা তৌবা চৎলি। মণিপুবদা লনগী অৱাবা কযা মাযোক্লবিঙৈ মতম অসিদা ঈশিং তাংবগী খুদোংথিবা থৌদোক অমসু থেংনখি। মীদি লাযবদনা শা-ষণশিং ঈশিং থকফম লৈতবদগী অৱাবা অমা ওইখি। ঐনা মফম কদাযদা ঈশিং ফংবা যাই খন্দুনা লম্ফেলদা ঈশিং ফংনবা থিবদা, ঈবোইশেম্বগী খোংনাং মখোঙদা তৌদুনা যেংলুই। মদুদা ঈশিং খবা থোক্লকপদগী পূখ্রি ওইনা তৌখি। বিবচন্দ্র হাযবা গ্বালা অমনা লৈবাক তৌনবা যোৎ বিবচান্দনচিংবা খুৎলাযশিং পুথোবক্তুনা পুখ্রি তৌবদগী ঈশিং থোক্লকখি। মঙ্গ্রা তিঙ্গাবীনা পুখ্রি অনি তৌখি। ঈশিং উবদা ষণ মযাম চেনশিল্লক্তুনা ঈশিং থকখি। ষণশিং অদুনা মপুক পেন্না ঈশিং থকপা উবদা ঐগী থম্মোইদা অপেনবা নুংঙাইবা অমা ফাওখি।

জপানীজশিংনা মণিপুবদা লাক্লগা চান-থক্লবা, ফৌ-খাইবা, শেল খাইবা যাওবকই। সেবা শঙ্ঘদা যাওদুনা কোংবদা, খুবাইদা অৱাং খুনৌদা ফৌ-চেং, হৱাই, থুম যেল্লুই। অনকপা অবাম্পা মফম খুদিংদা চত্তুনা চেং

যেল্লুই। ঐনা তৌবা থবক অদু উবদা দববাব মেম্বব লাইবেল্লাকপা মোইবাংখোমদা লৈবম্বনা যাম্না ইকাই খুম্নবিখি।

মণিপুবদা জপানগী লান্না কনশিল্লক্লবদা প্রজাগী চান-থক্লবা ফংলত্তবা যাই হাযনা খনবদগী মীযামদগী ফৌ-চেং, থাও-তুম্নচিংবা নিদুনা পৈশিল্লগা থমখি। ইং শোক ১৯৪২, মে থাগী তাং ২০ নোংমাইজিং নুমিত্ত বোম তাবে। বোম তাবিঙৈ মনুংদা মাইকৈ খুদিং চত্তুনা ইশা শিগনি হাযবগী চিংনবা লৈতনা প্রজাশিং অশোক-অপন যাওব্রা হাযনা থিবা চৎলি। হাও কৈথেল যৌবকপদা নিপা অমা বোম্না পান্দুনা শিবগা লৈবমই। খ্বাইবম্বন্দ ফাওদুনা লাকপদা সিভিল পুলিস ওইবম্বা লাইশ্রম মনাওবী সিংহনা ঐবু চেনগনু হাযদুনা থিনা চৈখি, অদুদা ঐনা নোকখি। কষ্টুবী থোং লাল্লগা লাকপদা ফৌগৈশংবম লৈকাইগী মচিন্দ মীওই অহুম বোম্না পান্দুনা তাদুনা লৈবমই। মীওই অনি অমদি শিবম্লে অদুগা অমনা শিবমদবদগী শিদবা মী অদু ডাক্তবখানাদা পুদুনা মণিজাউ ডাক্তবদা শিন্নকুই। ঐনা লৈবাক্কি সেবা তৌজবকপা হাযবসি লোইনাইদবা ৱাফম্নি, নীংশিংবা খবদং হাযবনি।

খ্বাইবম্বন্দা বোম তাবদা দুকান ফম্বা অনি দুকান মনুংদা বোম্না পান্দুনা শিববা নিপা অনি সংস্কাব ঙমদ্রে হাযদুনা থিযাম ইবোমচা সনা শাবা, কৈশাম্পাৎ থিযাম লৈকাইদা লৈবনা ঐঙোন্দ হাযবসি। ঐনা চত্তুনা কাঙ্জুজম খোইবেন সিংহ, নাগমপান্দ লৈবা অমসুং থিযাম বোদোই সিংহ কৈশাম্পাৎ থিযাম লৈকাইদা লৈবা মীওই অনিগী সংস্কাব তৌবা চংবদা সিফাইশিংনা ঐগী থবাক্ত সঙ্গীন্না থল্লগা হুবানবনি হাযনা ঐবু কিহল্লি। ঐনা চিংনবা লৈতনা খুমখি – ঐগী থবক যেংঙু, অদুগা নোংমৈনা কাম্পু, ঐ হুবানবা নত্তে। অদুদগী ঐনা তৌবদু মখোযনা যেংদুনা লৈখি। ঐনা দুকানগী ফম্পাক মখাদা পুমদুনা লৈবা মী অনিদু পুথোক্লগা সংস্কাব তৌবা উবদা মখোযনা অপেনবা ফোংদোকপগা লোযননা ঐগী ইতেং পাংবিবকখি। সিফাইশিং অদুনা ঐঙোন্দা গী-থাও কযাসু পীবকখি।

মণিপুবদা অনিবকশুবা বোম তাবনি, নুমিৎ অসিদা কংলাদসু বোম তাই। লান মনুংদা মাইকৈ খুদিংদা ঐখোয মযাম চত্তুনা চানবা ফৌ-

চেং, থুম-থাওনচিংবা প্রজাশিংদা যেম্মোক্লুই। ঐখোয সেবা শঙ্ঘনা কোংবা, খুন্দ্রাকপম, শগোলতোংবা অসিনচিংবা মফমশিংদা চত্তুনা চানবা পোৎলমশিং যেল্লুই। তুলসী পঞ্জাবীগী গুদামদা চেং লৈবে তাবদা প্রজাশিংনা চেং ব্লানবা, ফৌ ব্লানবা লাক্লে, অদুবু সিফাইশিংনা থিংই। অদুদা ঐনা থিংগনু, থিংলিবা ফৌ চেংশিং অসি মফম অসিদা থমজিনগনু, চবা হেনবা ঙমদবনিনা বোমগী অকিবা কাওগনি হাযবদগী কৈথেন্দ, কোংবদা, কাকৈথেন্দ পুথোক্লুনা যেনখি।

থম্মোই শোকপা দৃশ্য অমা ঃ

মণিপুবদা অনিবকশুবা বোম তাবদা ঐ নিংথেমচা কাবোংদা নংই। ইম্ফালগী খুবাই চিংগাংবম মাওপতা বোম তাবদা মত্তিব মনিংদসু মী অনি বোম্না পাল্লমই। পুলিসনা মী অমত্তা চংহন্দ্রবদা ঐদি সেবাগী বেজ সেৎপনিনা চংহল্লি। ঐনা চংলকপদা কোম মনুংদা বোম্না মঙক ককখ্রবি মমাগী খোম্লাং থক্কদৌবগী তৌবম্বা অঙাং অদু লৌখৎলগা পুলিসতা শিন্নে। মমাগী মঙক্লা উদা পল্লগা লৈবা, থৌদোক অদুগী যেংহৈদ্রবা দৃশ্য অদু উকবদা ঐগী ইশাদা তৃ-জুংবা পোকখি, থম্মোই শোক্লা নুংঙাইখিদে।

থম্মোই পেন্না নুংঙাইখিবা দৃশ্য অমা ঃ

মণিপুবদা ঈশিং তাংবা থোক্লকপদা, লৈবাক্কি অব্রাবা কোক্লবা ঈশিং ফংবা যাবা মফম থিবকপদা ইবোইশেম্বগী খোংনাং মখোঙদা তৌদুনা যেংলুবদা ঈশিং ফংখি। মফম অদুদা ঐখোযনা পুখ্রি তৈবদা ঈশিং থোক্লকখি। ঈশিং উবদা থৌগাংননা লৈবল্লবা খৌবাংলবা ষণশিং অদুনা চেনশিল্লক্লুনা ঈশিং পেন্না থক্লখি। মদু উবদা ঐগী থম্মোই পেনখি, দৃশ্য অদু উবদা হাযফম খঙদনা নুংঙাইখি।

মতম অদুগী সমাজগী ফিভম ঃ

মতম অদুগী মণিপুবী সমাজদা অমাং অশেংগী অকনবা শাফুগী চৈথেংনা প্রজা পুন্নমক্লা মমা-মপা শিবফাওবা চংনদবগী মতম অমা ওইখি। অসিগুম্বা ব্রহ্মসভাগী অকনবা শাফু অদু থেংননবা সভা অমা লিঙ্খৎখি। সভা অদুগী মমিংনা ব্রাহ্মণ সমেলণী কৌখি। অদুদা ঐ মেম্বব অমা ওইখি।

ব্রাহ্মণ সমেলণী অদুগী সভাপতিনা শ্রী লাইমযুম ললিতামাধব শর্ম্মানা ওইখি। ধর্ম্মগী মবমদা গৌড ধর্ম্ম প্রচাবণী কৌবা সভা অমসু লিঙ্খৎখি, অদুদসু ঐ সদ্যস্য অমা ওইখি। সভা অসিগী মকুওইবা মীশকশিংদি বঙ্গবিহাবী শর্ম্মা ব্যাকবণ তীর্থ, হিজম ইবাবত সিংহ, অমুশেলুং, কাবাম বিদুবনচিংবনি। ঐখোয পূন্নমক্লা মতম অদুগী মহাবাজ অমদি ব্রহ্মসভাগী ওৎ নৈবা অদু মপোক যাখি।

যুম্বাল পুন্সিদা খোঙদাবা ঃ

ইং শোক ১৯৪৭, আগষ্টকি তাং ১৪ দা ভাবত নিংখা-তম্বা লৈবাক অমা ওইবে। অনিশুবা পৃথিবী লাঞ্জাউনা ইম্ফালদা বোম তাবদ্গী মযুম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফম যেংদুনা লাঞ্জেন্নকুবশিংসু মযুম মযুমদা হঞ্জিন্নবক্রে। মতম অদু ঐ চহি ৩৫ শুবে। লৈবাক্কি ঈবাং অমদি প্রজাগী সেবা কযাদা যুম্বানবগী ৱাখল চংলুদ্রবনি। লৈবাক্কি ফিভম্না লৈতাবক্লবা মতমসিদা ঐ লুহোংনবা ঐজ্ঞা শ্রীঅধিকাবীমযুম বিধু শর্ম্মা, কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদা লৈবনা পোকচবি শ্রীঅধিকাবীমযুম নিঙোল কেশ্ববী দেবীবু অহল-লমনশিংনা হাযনদুনা কণ্যাবস্থাগী মতমদা লুহোংদুনা লৌই। ঐনা যান্না নুংশি পামজনা লৌজবা ঐগী সহধর্ম্মীনি। ঐনা ৱানা-নংনা লাযবনা হিংবনিনা মাসু ঐগী অৱাবদা শকক যামিন্নবকখি। অঙাং ওইজববসু হৌন-লোনচৎ যান্না খঙই। মাগী মপান্দগী যুম ওইনা পাল্লকপনি। ঐখোযগী ইচা তবেৎনি, ইচানুপী মবি, ইচানিপা অহন্নি। ঐখোযগী ইচা নুপীনা অহন্নি। ইচাশিংগী মমিং (১) যামিনী দেবী (২) লিলাবন্ত শর্ম্মা, (৩) ভদ্রেশ্ববী (সনাতোম্বী) দেবী, (৪) কবিকান্ত শর্ম্মা, (৫) চূডামণি শর্ম্মা (তোঞ্জাউবা শর্ম্মা), (৬) শান্তিপ্রিযা দেবী (তোম্বী দেবী), অমদি (৭) ঙেন্দ্রাণী দেবী (ঙান্থোই দেবী) কৌই।

ইচানিপা যাইমা কবিকান্ত শর্ম্মাদি সমাজ অসিগী মতমগী নোংলৈ নুংশিংনা হুমখিদুনা কমেংদা পুলিসকি নোংমৈ গুলিনা পান্দুনা ইং শোক ১৯৭৮ দা হাৎখ্রে। অদুনা ইচানিপা অনিখক্তা ঙাইহৌবে। ইচাশিং লোযনা মযুম-মকৈ পান্দুনা মচা-মশু ফংনবা যাওবে। ঐখোযগী ইচাশিংনা পোকপা

ইশু ২১ নি অদুগা ইশুনা পোকপা শুধাং ৮ নি। ঐখোয হৌজিক ইচানিপা অতোনবনা পোকপা ইশু অতোনবা সনাতোম্বা (দিম্বেশ্বব) শর্ম্মাগা চাক তিন্নবি। ইশু অতোনবনা ঐখোয়গী সেবা তৌবিরি।

ভাবত সবকাব অমদি লৈবাক্কা শক খঙবিবা ঃ

পুন্সিদা ঐনা লৈবাক মীযামগীদমক খন্দুনা থৰাই হকচাং য়াওনা হোৎনজবকপা কযাদা প্রজানা শক খঙবিদুনা যেৎনবা লৈতনা চহি ১০ চূপ্পা শগোলবন্দ কংগ্রেস ব্রাঞ্চগী সভাপতি ওইখি। পূর্ব্বাঞ্চল ওইবা ওইদবগী মতাংদা কংগ্রেসকা মত তিন্নদদুনা বিজাইন তৌখি। লোযননা কংগ্রেস ব্রাঞ্চগী সভাপতি ওইবা থাদোকখি। পূর্ব্বাঞ্চল ওইখিদবদগী অমুক হন্না কংগ্রেসতা যাওখি। ইন্টবিম সরকাবগী মতমদা কংগ্রেস অনি থোকখি, অমনা এলাংবম তোম্পোক্কা সভাপতি ওইবা কংগ্রেস অদুগা অমনা পোৎশংবম তোমালনা সভাপতি ওইবা কংগ্রেস অনি অসিনি। কংগ্রেস প্রসিদেন্ট পোৎশংবম তোমালনা ওইবদা লৈদুনা মতম অদুগী আন্দোলন্দা ঐহাক জিঃওঃসিঃ ওইখি।

ইণ্ডিযা গভর্ণমেন্টনা ঐবু পোলিটিকেল সফববনি হাযনা শক খঙবিদুনা ইং শোক ১৯৫৭ দা লুপা ৫০০/- পীখি। মণিপুব পোলিটিকেল সফবব এসোসিযেসনগী জেনবেল মীটিং অমা তাং ১৪।০৬।১৯৫৮ ইং থাংজ নুমিৎকি নুংথিল পুং ২ তাবদা তৌখি। মীটিং অদুদা ঐবু মিপুব পোলিটিকেল সফবব এসোসিযেসনগী চেযাবমেন ওইনা খনখি। সবকাবনা পোলিটিকেল সফবব অমা ওইবগী খুদোংচাবা অদু ইচাশিংগী লাইবিক তম্বদা তেংবাং পিবিবকই।

ঐনা পুন্সিদা থৰাই পাম্মুদনা লৈবাক প্রজাগী সেবা তৌজবকপবু ভাবত সবকাবনা শক খঙবিদুনা পোলিটিকেল সফবব হাযবম্বদগী 'স্বাধীনতা সৈনিক ফ্রীদম ফাইটব' নি হাযনা তাং ১৫।০৮।১৯৭৩ ইংদা তাম্রপত্র ফংহনবিখি। তাং ৩১।০১।১৯৭৩ ইংদগী লুপা ২০০/- থা থাগী ওইনা পেন্সন ফংলকপনা তাং ০১।০৯।১৯৭৫ ইংগী মতুংদগী লুপা ১০০/- অমুক হাপকৎলক্কুনা থাগী ওইনা লুপা ৩০০/- ফংলকখি। মথং মথং

হাপকৎলকপনা লুপা ৪,০২০/- ফংলে। হৌজিক হৌজিক ভাবত সবকাবনা থাগী পেন্সন ওইনা লুপা ১০,০০০/- হেন্না পীবিবি। মণিপুব সবকাবনসু থাদা লুপা ৫০০/- পেন্সন পীবি। ঐহাক হৌজিক ফ্রীদম ফাইটব পেন্সনব অমা ওইনা হিংলি।

চহি খুদিংগী ভাবত সবকাবনা ক্বিট ইণ্ডিযা মুভমেন্টদা থৌদাং যাবকপা ফ্রীদম ফাইটবশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপগী থৌবাং ওইনা আগষ্ট তাং ৯ দা ভাবতকি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী ফ্রীদম ফাইটবশিংবু দিল্লিদা কৌদুনা ইকাই খুম্নবি। থৌবম অসিদা শরুক যানবগীদমক মণিপুবগী ফ্রীদম ফাইটবশিংবু দিল্লিদা লারুবা বার্ত্তন পীবকই। দিল্লিদা চৎপগী, লৈফম-চাফম্নচিংবগী খর্চ খুদিংমক সবকাবনা পুথোকপিদুনা চৎপনি। মণিপুবদগী অহল ওইববা ফ্রীদম ফাইটব ১০ খল্লকই মদুদি (১) এস ইবোহল সিংহ, শীংজমৈ মযেং লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট, (২) পি ঐচ বেদগার্ভ শর্ম্মা শগোলবন্দ মৈনো লৈবক, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট (৩) কে বিংসি বুংপৎ খুনৌ কোন্সাং ভিলেজ উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্ট, (৪) শামখোহাও উখাগেট চুবাচান্দপুব ডিষ্ট্রিক্ট, (৫) থাং খোলিম মাতা লম্বুলেন চুবাচান্দপুব ডিষ্ট্রিক্ট (৬) হাওজাথাং হাওকিপ নিউ বজাব চুবাচান্দপুব ডিষ্ট্রিক্ট, (৭) চুংলেট কিনকিন ভিলেজ চুবাচান্দপুব ডিষ্ট্রিক্ট (৮) এস চুবাচান্দ শেবৌ থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট (৯) কেঐচ জুগেশ্বব সিংহ থাংমৈবন্দ লৌকংপুবেল লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট অমসুং (১) এল ইবাবোত সিংহ কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈবক, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট অসিনি। ঐখোয মবিদি এবোপ্লেন্দ ওইনা চৎখি।

ঐখোয মবি – (১) ঐ (বেদগার্ভ শর্ম্মা) (২) এস ইবোহল সিংহ (৩) কেঐচ জুগেশ্বব সিংহ অমদি (৪) কে বিংসি নি। ঐখোযবু তেবাদগী ভোগেননা পুবিখি। অতৈদি মখাদা বেলগাডীদা চৎলি, ঐখোযনা অহল ওইবনা শোল্লকপদগী এবোপ্লেন্দ চৎপনি। ইং শোক ২০০৩ গী আগষ্টকি তাং ০৯ দা ভাবতকি প্রসিদেন্ট এঃপিঃজিঃ অব্দুল কলাম্না শাল অমগা সাইতেসন অমগা খুৎশিন্ননা পিবিদুনা ইকাই খুম্নবিবকই।

ইং শোক ২০০৬ তা ঐগা ঐগী নুপীগসু দিল্লিদা চৎলুই। মসিদসু ভাবতকি প্রসিদেন্ত এঃপিঃজিঃ অব্দুল কলাম্না ঘডী অমগা ভাবত জাতিয কংগ্রেসকি ফিবাল মচা মখোঙ পানবা পিবিদুনা যাম্না ইকাযখুন্নবিবকই। ঐনসু বেদ মন্ত্র থিদুনা প্রসিদেন্তবু আশীর্ব্বাদ তৌনা ইকাই খুম্নজবমই। মতুংদদি ঐ ইশাসি শোঙ্জিল্লক্লে, চৎপা ঙল্লবোই হাযদুনা চৎত্রে।

ঐনা অহল ওইবকপগী শোন্দুনা চৎপা ঙমজদবগী ৱাদনি, ভাবত সবকাবনদি ফ্রীদম ভাইটবশিংবু ঙসিফাওবা ইকাই খুন্নবিবি। অদুবু মণিপুব সবকাবনদি থৌওইনা খন্দবগুম তৌবসিমক্তি নুংঙাইতে। মণিপুব সবকাবনা হৌজিক্কি মতমদা পিবিবা পেন্সন থাগী লুপা ৫০০/- খক্তনি। মসিফাওবা থা/থাগী পিবিদে, থা ৬/৬ লৈবগা পিবনি। মণিপুব সবকাবনা ফ্রীদম ফাইটবশিংদা যেংলিবা মিৎয়েং অসি যাম্না পেন্দে/ভাৱত সৱকাৱনদি হান্না লুপা ২০০/- পিবম্বদগী মতম মতমগী ওইনা হাপকৎলক্লুনা হৌজিক লিশিং তবা হেন্না পেন্সন পিবি। নিংখা তম্বা লৈবাক অমা ওইবা ফংলক্লিবসি ফ্রীদম ফাইটবশিংগী মপান্দগীনি খঙবিদুনা ইকাই খুম্নবি। শেল পিবা পিদবগী নত্তনা ইকায খুন্নবিবা পুন্সিবু মশক খঙবিবা অদুখক পাম্বগী ৱানি। মণিপুব সবকাবগী ৱাখল্লোন অসিদি ফ্রীদম ফাইটবশিংবু মমল যাওদনা খনবসিদি পেন্দে। ঐ হৌজিক ফ্রীদম ফাইটব ওইবগী পেন্সন্নব অমা ওইনা পুন্সি হিংলি।

ঐগী পামজবা ঃ

ঐনা পামজবদি লাইবিক পাবা অমদি ইবা অসিনি। 'মণিপুবগী মহাভাবত' ওঝা কলাচান্দ শাস্ত্রীনা মৈতৈলোন্দ অনুবাদ তৌবদা ঐনা ইবগী থবক তৌবকই। ছাত্রশিংদা তম্বী তাকপিবদা ঐগী অপেনবা লৈতে। উবিপোক্ত লৈবা জগন্নাথ মন্দিব সংস্কৃত বিদ্যালযদা ঐনা হিন্দী অমসুং সংস্কৃতকি ওঝা ওইনা ছাত্রশিংবু তম্বী তাকপিবমই। ইবাযবক থিবনিনা ইহাকথক্ত ইহে মপুং ফানা তম্বা ফংলক্তে, অদুনা ইচা-ইশুশিংদদি মখোযনা তন্নিংলিবমখৈ তমহনগে হাযবসি ঐগী পামজবনি। ঐগী পুন্সিনা লৈবিবমখৈদি লাইবিক ইবা হাযবসি ঙল্লিবমখৈ ইখিনি। অহল ওইবক্লবা পাঙ্গল শোল্লক্লবা মতম


অসিদা ঐনা পামজবদি ঈশ্বরগী নাম শোনবা, জপ তৌবা, লোযননা লাইবিক ইবনি।

ঐনা শিববু কবিগী কিক্কনি, শিবা যাবা খুদোংথিবা পুন্সিগী লানফম কযা কিদনা লাক্লবনি। নোংমা পোকপা মপোক্লি, নোংমদি শোযদনা শিগনি মসি লেঙদ্রবনি। নহা ওইবিগুেদা ঐনা ঐগী কর্ম্মা কযা পাংথোক্লল্লে অদুগা অহল ওইবক্লবা মতমসিদা লাইবিক ইদুনা মীযামগী সেবা খবদং তৌবা পাম্বদগী মতম খবা হিংনিংলুবনি। অদুবু ঐ হন্দক্তি থাজবক্রে, ইচানা লাযেংদুনা থাবিবা হিদাকশিং অসে ফনা যাল্লে, ফগে হাযববদি নহান্না ফবা যাববনি, নৃংদা ঈশিং চাইবগুম ফগৎলকপগী মহুত্তা নোংম-নোংমগী শোঞ্জিনবা হেল্লকই। ঐগী হৌজিক ওইবিবা ফিভম অসিদা মতম অমদা চীং-তম শিন্থূংনা চৎতুনা থৱাই থাবা কিদনা হোৎনবমই হাযকবদা কনানা থাজবিগনি। ইখোঙ ফাওবা থাংবা ঙমশিল্লক্রে, ঐগী অবোইবা মতম লাক্লবনি হাযবা ঐ খঙই। ঐনা হযেং শিবদা পোৎলোইনবা শীং সবকাবনা পিবক্কনি, কৃ ফাওবা পিবক্কনি। ঐনা পামজবদি শোল্লক-নাবক্লবা পাঙ্গল যাওবক্তবা মতমসিদা, ইচা-ইশুশিংনা নুংশিনা, খুযা-লুখুম চংদুনা সেবা তৌবিবা অদুখক্তনি।


অবোইবা খোঙচৎ ঃ

লৈবাক প্রজাগী যাইফনবা খনবদা নহা ওইবিগুে পুন্সি কখোক্তুনা লাকখি। অহল ওইবক্লবা মতমদা মচা-মশু, মকুপ-মপাংশিংগী তেক্ত-কাযদনবা হোম, জপ কযা তৌবিবমই। মশাগী ওইজবগী ৱাখল খনখিদ্রবা, কনাগী মতেং যাওদনা মদোম মপাঙ্গলতনা পুন্সি পম্বুং যৌবকখিবা পণ্ডিত ওইবা ইপা ইবুংঙোনা হকচাং ঈবা খংহেন হেঞ্জিল্লক্তুনা বাজপোলিক্লিনিক হোস্পিটালদা মতম খবা লাযেংদুনা লৈবল্লগা জুন থাগী তাং ২৪, ইঙেন নিনি পানবা যুমশকৈশা নুমিৎ ভগবান জগন্নাথ দেবগী বথ যাত্র নুমিৎপু থম্মোইদা চেংনা থাগোন্নবগা - ইচাশিং ইপাগী সেবাদা ৱাবেদা হাযনা অবোইবা ওইনা হাযবিবল্লগা মাযা সংসাব থাদোক্লমদুনা ভগবানগী চবণদা চংজখ্রে।


তেল্লবা পুন্সি লম্বী অসিদা ফংখিবা মনা মথুমশিং




(১) নপী লাল




(২) তমন পত্র




(৩) ভাবতকী প্রসিডেন্টনা খুদোল ওইনা পীবকপা শাল



(৪) ভাবতকী প্রসিডেন্টনা খুদোল ওইনা পীবকপা ঘড়ী








With the compliments of the

President of India

ওঁ

শ্রীযজুর্ব্বেদীয়পুনন্যাসঃ


সৎক্রিয়া-সার-পদ্ধতি


[illegible]




ফ্রিদম ফাইটবগা লোযনবম্বা মীওইশিং









Constitution of the All India Freedom Fighter successor & organization (Manipur State Unit)

1. Any secretary or president of this organization should not be a politician
2. If any secy Or president of this organization like to be a candidate of member of legislative assembly or member of parliament he should be resigned from the secretary ship or president ship before a year of the election but he should be remained a member of this organization
3. If any member, secretary or president of this organization is found to do some activities against the organization or neglects the above rules, he should be removed from this organization
4. General secy president or Vice president should not use or spend the fund or money of this organization without the consent of the finance Secy General Secy, president or vice president may take charge of finance secy in an absences
5. No political discussion or news should be held or take inside the office of the organization
6. If any political leader or M L A or M P of any penty want to discuss the polical issue or state problem with this organization or to take some help from this organization for any purpose, he should take permission fro m the president / vice president gen secy the 4 also should take permission from the advisory board and general meeting should be held before taking the decision
7. If a members General secy Or president is found using in toxicants for a paid of 2 or 3 rupees
8. District organization meeting should be with the concerned district president or secy for every 2 or 3 month in all district of this state All buy fare and other expenditure should be expend from the fund of the organization
9. All the member including president/ vice president/ General Secy And other secretaries for every month for the fund of the organization 10 symposium / essay writing / Debate competition about the freedom fighter should be held for every year

LIST OF FREEDOM FIGHTER IN MANIPUR
IMPHAL DISTRICT

1. **Shri Sinam Chaoba Singh** ,(Sega Road Leimajam Leikai, Imphal)
2. **Shri T Lamphel Singh** ,(Top Inl Mapal, Imphal)
3. Shri Khangin Kuki,(Haokip veng, imphal)
4. Shri Th Angou Singh (Singjamei Thouchom Leikai,Imphal)
5. Shri S Ibohal Singh, (Singjamei Mayenbam Leikai, Imphal)
6. Shri P Tomal Singh , (Chinga Makha Ningthoujam Leikai, Imphal)

7 Shri Laishram Irabot Singh, (Keishampat Motum Leirak,Imphal)
8 Shri L Kanhai Singh,(Segalambi Jailor Leirak, Imphal)
9 Shri M Amuba Singh,(Meino Leirak, Imphal)
10 Shri Irom Tombi Singh (Liwa khongsanbam Leikai, Imphal)
11 Shri Kh Jugeswar Singh,(Thangmeiband Lourungpurel leikai, Imphal)
12 Shri Palet Haokip,(Veng Imphal)
13 Shri Phurailatpam Bedagrabha Sharma (Sagolband Meisnam Nongthongbam Leikai, Imphal
Meino Leirak manung, Imphal)
14 Shri L Nabadwip Singh,(Keishampat Leimajam Leikai, Imphal)
15 Shri Gostha Behari Das Chowdhury,(Jiribam, Imphal District)
16 Shri Darbra Singh,(Air Transport Corpn Gandhi Avenue, Imphal)
17 Shri Mangkhohen Kuki,(Old lambuland, Imphal)
18 Shri salam Ongbi Rajmubi Devi,(Chingmeirong, Imphal)
19 Shri Madam Mohan Singh,(New Chekon Imphal)
20 Smt Parul Rani Chowdhury,(Keishampat Imphal)
21 Shri S Hemkholet Kuki,(New Lambuland Imphal)
22 Shri Otkhosei Haokip,(Haokip Veng, Imphal)
23 Shri Onkholet Kiki,(New Lambuland, Imphal)
24 Shri Ngemjathang Touthang,(Langa Koireng, Imphal)
25 Shri Tinsei Haokip,(Haokip Veng,Imphal)
26 Shri Setkam Kuki,(Imphal District)
27 Shri Letkhapao Haokip, (New Lambuland, Imphal)
28 Shri Akhup Kom (k R Lane Imphal District)
29 Shri Yugeshor , (Khwai Naga Mapal,Imphal)
30 Shri Naki Ammed Choudhury, (Kaikhu Imphal District)
31 Shri sardar Mukhtiar Singh Gill, (Dewlaland Imphal)
32 Shri Haothang Kuki (Haokip Veng Imphal)
33 Smt Haokhothang Kuki, (Haokip Veng, Imphal)
34 Smt Tingkholhai, (Kukini, New Lambuland, Imphal)
35 Shri L D Moireng Kuki, Imphal
36 Shri Thangkholet Haokip,(New Lambulane Imphal)
37 Shri Tolkhothang Kuki,(Basic Training Imphal District)
38 Shri Tongkholun Kuki,(New Lambulane, Imphal)
39 Shri Nguljangam Haokip,(Haokip Veng Imphal)
40 Shri Salet Kuki,(Haokip Veng Imphal)
41 Smt Ningjavei (Allias) Avei Hanshing, Imphal
42 Shri Haokhongam Kuki,(Nayang A/P Haokip Veng, Imphal)

THOUBAL DISTRICT
1 Shri Dinesh Chandra Acharya,(Sarou Thoubal District)
2 Shri S Churachand Singh,(Sarou Thoubal District)

CHANDEL DISTRICT

1 Shri Holkhongjang Kuki, (Somtal village)
2 Shri Nehkhothang Haokip,(Wayang Village)
3 Shri Letkhothang Kuki, (Songjang village)
4 Shri Helkhotong Haokip, (tengnoupal District)
5 Shri Hemlhum Kuki, (Sita Village)
6 Shri Iamkhonthang, (Wayang Village)
7 Shri Luikhojang Kuki, (Tulam Village)
8 Shri Hoihat Kukini, (Bongyang Village)
9 Shri Shohol Kuki, (Songjang Village)
10 Shri Thongkhomang Kuki, (Sajik Tampak Villages)
11 Shri Somkho Haokip, (Thamlapokpi Village)
12 Shri Yamvung Haokip, (Khangang Village)
13 Shri Yamkhothang Kuki, (Molcham Village)
14 Shri Chungkhosei Kuki, (Bongjang Village)
15 Smt Ngulhen Haokip, (Wayang Village)
16 Smt Haogai Kukini, (songoon Village)
17 Shri Jamthong Lhanggun Kuki, (Lonpi Village)
18 Shri Jamkholet Kuki, (Aihang Village)
19 Shri Mangkhulum Kuki, (Songjang Village)
20 Shri Thangkhonchem Kuki, (Sinam Village)
21 Shri Lungkhoson Kuki, (Haokip, Molnom Village)
22 Shri Onkhosei @ Onsei Haokip, (Molnom Village)
23 Shri Holjang Kuki, (Tuidam Village)
24 Shri Lungam lungdim, (Bongmol Tompok Village)
25 Shri jamkhoson Haokip, (Samkhong Village)

UKHRUL DISTRICT

1 Shri Houtung Kuki, (Chassad, Manipur East District)
2 Shri Jamhun Kuki, (Maku Villages)
3 Shri Lhungkhojam Kuki, (Pihang Village)
4 Shri Lunkhothang Kuki, (Nang Village)
5 Shri Thongkhongam Kuki, (Aishi Village)
6 Shri Thongkhomang Kuki, (Loni Village)
7 Shri Yongkosei Kuki, (Chassad Village)
8 Shri Yamkhojang Kuki, (Kuku Village)
9 Shri Thangsei Kuki, (Molvailup Village)
10 Shri Yangkhosei Haokip, (Aishi Village)
11 Shri Yongkholet Kuki, (Aishi Village)
12 Shri Lunkhojang Kuki, (Phuthel Village)
13 Shri Yangkhopao Haokip, (East District)
14 Shri Yamsho Kuki, (Maokot Village)
15 Shri K Ringshi , (Bungpa Khunou Village)
16 Shri Henjathang Kuki, (Aishi Village)
17 Shri Lhunkhosei Kuki, (Kasung Village)
18 Shri Ngukhohem Kuki, (Chassad Village)
19 Shri Thangjadong Kuki, (Iakhan Khunman Village)

20 Shri Hemkholet Kuki, (Khoikai Village)
21 Shri Lenghao Kuki, (Litan Village)
22 Shri Thongkhomang Kuki, (kultu Villages)
23 Shri Haopao Kuki, (Kachoubung Village)
24 Shri Lunhem Kuki, (Lakhan Village)
25 Shri Hankhopao Kuki, (Jallembung Village)
26 Shri Khupjalam Alias pavon, (Chassad Village)
27 Shri Jangkhosei Kuki, (Pihang Village)
28 Shri Jamreng Haokip, (East District)
29 Shri Helkhothang Kuki, (Loni Village)
30 Shri Doejangam Kuki, (Maku Village)
31 Shri Chungkhojam Kuki, (matijang Village)
32 Shri Okkhothang Kuki, (Jallembung Village)
33 Shri Jamkhochung Kuki, (Tusam Village)
34 Shri Lhunkhosei Haokip, (Pihang Village)
35 Shri Mangkhup Kuki, (Chamol Village)
36 Shri Lhukhothong Kuki, (Maokof Village)
37 Smt Nemjavei W/o (L) Shri Hemkholun Kuki, (Manipur East district)
38 Shri sheikhomang Kuki, (Chassad Village)
39 Shri Chongjangam kuki, (Pihang village)
40 Shri Jamkhothang Haokip,(Manipur east district)
41 Shri Helkholet Kuki, (Sengoba Village)
42 Shri yamlhum Kuki, (Mollen Village)
43 Shri Tongkhosei Haokip, (Maokot Village)
44 Shri Hemkholum Kuki, (Phungtha Village)
45 Shri Thonhjam Kuki, (K Mollen Village)
46 Shri Tholet Kuki, (K Mollen Village)
47 Shri Thongkholem Kuki (Matijang Village)
48 Shri Shonkhumang Kuki, (Ukhrul A/P)

CHURACHANPUR DISTRICT

1 Shri Nunkhopao, Gangpimol of Manipur C C Pur
2 Shri Ampu Kom, (Khoirentak Khunman Manipur C C pur)
3 Shri Jamthang Haokip,(Khongmang Of Gammomphai Manipur C C Pur)
4 Shri Kamhand Mate, (Khongman saiton Manipur, C C Pur)
5 Shri Vemkhothang Haokip,(Siden Village C C Pur)
6 Shri Chungthong Haokip, (Siden Village C C Pur)
7 Shri Haojathong Haokip, (New Bazar Of Manipur C C pur)
8 Shri Pumjakam Zou, (Khongphum Saiton Manipur C C Pur)
9 Shri Nguljalet Haokip, (Okha Tampak, C C Pur)

We are very sorry for other district as we don't have the data



[illegible]

[illegible] Imphal, [illegible]

To

[illegible]

Sub: [illegible] of certificate [illegible]

Sir,

With reference to your representation [illegible] asking me to furnish a certificate on your imprisonment, I have the honour to inform you that records of this Jail for [illegible] and 1942 and upwards were burnt in the [illegible] during [illegible] world war. As such I am not in position to issue a certificate with full particulars of your imprisonment. However, [illegible] to hereby certify [illegible] old [illegible] of this Jail [illegible] were convicted and sentenced [illegible] not less than one year [illegible] in the [illegible] Jail in connection with certain political [illegible] [illegible] and dates thereof cannot be remembered.

Yours faithfully,

[illegible]

[illegible]

[illegible]

Manipur Central Jail,

Imphal.



भारतीय स्टेट बैंक
State Bank of India

इम्फाल
जिला इम्फाल
मणिपुर 795001
तार फिनिस

IMPHAL
Dt IMPHAL
MANIPUR 7950
Telegram THIST

क्रमांक
B.M/Govt.B.No.32/

दिनांक
Date 1.1 1990

TO WHOM IT MAY CONCERN

This is to certif that Shri Phurailatpam Badagrabha Sharma, is drawing freedom fighter's pension from Central Government through us.



F. Branch Manager.

৩৮


NUPILAL MEMORIAL ASSOCIATION

Estd 1979

YUMNAM LEIKAI MOIRANGKHOM MAKHA

IMPHAL—795001 (Manipur)

Ref No   Date



[illegible]



NATIONAL SERVICE SCHEME

ORIENTAL COLLEGE IMPHAL



[illegible]

Shri Phurailatpam Bedgarva Sharma [illegible] Imphal [illegible] Movement [illegible] the Country

[illegible]

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE TREASURY OFFICER, IMPHAL

No. Option/Pension/PSB/Try/77/ [illegible] Imphal, the [illegible] March, 1977.

To

The Branch Manager, State Bank of India, Imphal.
The Manager, [illegible]
The Manager, United Commercial Bank, [illegible]

Subject :- Transfer of P.P.O. [illegible] application [illegible] and [illegible]

Sir,

I am to forward [illegible] P.P.O.s (Disbursers' portion) along with application in form [illegible] I [illegible] proofs in respect of Central Pensioners [illegible] payment [illegible] pension [illegible] the Public Sector Banks as opted by them.

The S.B./Current Account [illegible] allotted [illegible] the pensioners may kindly be intimated to the [illegible] and [illegible] the Accounts Officer, Office of the A.G. Manipur [illegible] their account No. earlier.

The return of [illegible] form [illegible] to the Treasury Officer Imphal may kindly be [illegible] separate allocation of pension as indicated in the P [illegible] Pension Central [illegible] Central etc.

The last date of payment and monthly rates of pension are shown in the respective [illegible]

Encl :- List of P.P.O.
(in [illegible])

Yours faithfully,

([illegible])
TREASURY OFFICER, IMPHAL

Memo No. Option/Pension/PS/Try/77/ [illegible] Imphal, the [illegible] March,
Copy for information [illegible]

1. T[illegible] Officer, Office of the A[illegible]
2. [illegible] Imphal [illegible] Bodhachandra [illegible] 1977
[illegible] Angel Band Mairangthem
[illegible] to open S/Current a[illegible] with the Public Sector [illegible] if not opened earlier.

([illegible])
TREASURY OFFICER, IMPHAL

